মরূপ
MARUP

শরৎ-কী-ঈচেল-১৯৮৮



SHARAT-KI-ICHEL—1988

Editor Rajkumar Kamaljit Singh

Arts & Culture Department stands for the preservation and promotion of the rich cultural heritage of Manipur

1 PROGRAMMES UNDERTAKEN

(i) Development of improvement of Manipur State Museum
(ii) Improvement of Manipur State Archives
(iii) Improvement of Library Services
(iv) Improvement of State Archaeology
(v) Improvement of Govt Music College
(vi) Improvement of I N A Memorial Complex Library, Moirang

2 EXTEND GRANT-IN-AID AND FINANCIAL ASSISTANCE TO

(i) Voluntary Organisation and individuals with contribution to promotion in the field of art and literature
(ii) Regional film producers
(iii) Manipur State Kala Akademi
(iv) Manipur Art College
(v) Manipur Film Development Corporation
(vi) Grant to publishers

3 EXCHANGE CULTURE WITH DIFFERENT STATE THROUGH

(i) Sangeet Natak Akademi New Delhi
(ii) Eastern Zonal Cultural Centre Calcutta
(iv) North Eastern Zonal Culture Centre Dimapur
(iv) All the Zonal Centre

4 SUBSIDIARY OFFICES

(i) Manipur State Museum
(ii) Manipur State Archaeology
(iii) Manipur State Archives
(iv) Manipur Central and District Libraries
(v) Government Music College
(vi) I N A Memorial-Cum-Library, Moirang

DIRECTORATE OF SOCIAL WELFARE
ARTS & CULTURE
GOVERNMENT MANIPUR

মরূপ

শরৎ-কী-ঈচেল

১৯৮৮



রাজপ্রাসাদ-হৌজিক বিধানসভা ভবন

-ঃ সম্পাদক ঃ-

শ্রীরাজকুমার কমলজিৎ সিংহ
বনমালীপুর, এ এ রোড, মহাত্মা গান্ধী সরণী
আগরতলা-৭৯৯০০১, ত্রিপুরা

মূল্য—১০ টাকা

মমল লুপা—১০.০০

ফংবিগনি

স্বত্বাধিকারী—শ্রীমতী অলকা সিংহ, সম্পাদক—রাজকুমার কমলজিৎ সিংহ কর্তৃক বীণা প্রিন্টিং ওয়ার্কস মোটরস্ট্যান্ড, আগরতলা হইতে মুদ্রিত এবং মরূপ কার্যালয়, এ এ রোড, বনমালীপুর আগরতলা হইতে প্রকাশিত।

সম্পাদকীয়—

রাজধর্ম ঙাকপা নিংথৌ চূড়াচাঁদ

ভারতকী তরাংথংবা মোংফোক চিনাইদা মপাগী ভোঙানবা ফিরাল হাপ্লগন্তুনা নিংখাওবা লৈপাক মনিপুর রাজ্য ইতিহাসকী মতমদগী লৈরকলবনী। ১৮৯১ ইংদগী সাম্রাজ্যবাদী রাজচক্রবর্তী বৃটিশ রাজকী রাজনীতি মীখা পোনবা হৌখি। অমসুং ইনিংথৌ নরসিংহগী মশুইবুত্তো মিংথৌমচা চূড়াচাঁদ (চহি ৮) বু ফম্বালদা ফমহনখি। নিংতমনা থংক তৌবা ঙম্বা ফম্বানদা ফমলাবসু রাজনীতিগী নিংঙম্বাদ বৃটিশকী মখা পোনবাগী মরম্না লৈপাক অমসুং প্রজা ঙাকশেনবদা ইনিং তৌবা ঙমদাবগী মংম্না বৃটিশ সরকারগা থুং শম্লনা চৎপা নংখি। অদুম্নদ ওয়রগা ফম্বান ফম্বা নিংথৌগী সমাজ অমসুং ধর্মদা বৃটিশ সরকার থুংথিংজিন লাক্তে।

স্বদেশে পূজ্যতে রাজা বিদ্বান সর্বত্র পূজ্যতে—মীয়মপাক আসাম, ব্রহ্মদেশ, ত্রিপুরাদা থুম্না লৈভাদুনা লৈথরবা মনিপুরী শিংদা মনিপুর রাজা স্বদেশ ওরবা রাজবগী মরমনা মনিপুরগী প্রজানা মনিপুর নিংথৌবু ইনিংথৌনী হায়না পূজা তৌজাবদু মরাযসক থিরবা মপানগী মনিপুরীশি পূজা তৌবা ঙমজাদে। মনিপুর নিংথৌ চূড়াচাঁদ মপানদা হিন্দু বক্ষক ধর্ম পালক ওয়দি মরক্সিনা নিখিল হিন্দু মনিপুরী মহাসভাদা তোংদুনা সভাপতি অমা ওয়না মপান মনিপুর আসাম ব্রহ্মদেশকী মনিপুরীশি বু খোংগুন নিবিখি।

মবুথৌশিংনা থোয়দোকনা রাজর্ষি ভাগ্যচন্দ্র মথং মহারাজ চন্দ্রকির্তী মনিপুরদা অনৌবা মাওন ওয়না হায়নবিবা বক্ষক ধর্ম; রাজর্ষি ওয়না চৎনাবদু মহারাজ চূড়াচাঁদ হাম্বকসিদা অতিসু মথা চৎনাবা হোংনাখি। থেন বুধৌ নি থৌশি রাজনীতি মীখা পোল্লমদে

ইম্ফলগী লংথেদা লৈরিবা শ্রীশী গোবিন্দজীগী মন্দির মাওব কত্নুনা খুংগংদা মন্দিরগা লোয়ননা মাওব লাবা চান্দাকপিখি মচা মনাই, অস্থম-অম্বা নুংঙাই লাইফবা মীশি না মশা মশাগী লমদা লাইলং মাওব লাদুনা ক সমাজদা অথোয়বা অমসুং ধম অমনি হায়না লমজিংবিখি। শম্না হায়রবদা লৈকায় থুংগং খুদিংদা লাইগী লাংশং মাওব লাওনা কংপাংস সমাজ মনুংদা লমজেন তাবা ওনহনখি। ব্রাহ্মণশিংবু মমম ঈংখোল লৌচা পিদুনা পূজারী হাপ্লখী। ধর্মগা মরি লৈনবা পুস্তক মহারাজগী পৃষ্ঠপোষকতাদা লিংথংপা ব্রহ্মসভাদা শিন্নবিখি অমসুং ধর্ম ঙাকপা চাউখংনবগী শকনবা থোংথাং লৌথংখি। ময়াম্বু ইবুঙো ডুমদাশিংবু জুডিসিয়েল মেম্বার (মন্ত্রী) ওইনা হাপ্লনা ধর্মগী অরোইবা বিচেপ লৌনবা ব্রহ্মসভাগা তান্নরগা লৌখৎনবা শিন্নখি। নিংথৌগী লাই—সরকারগী লাই প্রজাগীলাই ওনহনখি। কাঙ্গালদগী বেদমরি পুরকত্তুনা শ্রীশ্রীগোবিন্দদা হরিসংকীর্ত্তনগা লোয়ননা কৎখি।

বৈষ্ণব কবিশিংগী বাংলা ঈশৈ মৈতে লোলদা হন্দোকত্তুনা শকপা মহারাজ চূড়াচাঁদনা হৌশাকপিরম্বসি জাতিগী লোল নুংশিবগী খুদমনি। সংস্কৃত থৌরমদা অনৌবা মথং দিবারাস, শনখেনবা উদুখল গোষ্ঠলীলা হৌদোক-পিরম্বগা লোয়ননা মবুথৌশিংগী উত্তরাধিকারী ওয়না সংকীর্ত্তনদা ঈশৈ শকপা, পুংথোনদুনা শরুক য়াবি। রাজর্ষি ভাগ্যচন্দ্রনা শ্রীশ্রীগোবিন্দজীগী মূর্ত্তি নিরূপন তৌদুনা মনিপুরদা মূর্ত্তিকলা হৌদোকপিরম্বা লমজিং

মথানা মহারাজ চূড়াচাঁদ মতমদা লৈকায় খুদিংগী লাইশংদা লাংনবা লাই শানবা মূর্ত্তিকলাগী লমদা অকনবা ইহৌ পুরকখি। লাইরেকপা কলাবিদা' ওয়বগীদমক ভদ্রসিংহবু মপান লমদা থাবিখি। সমাজ লমজিংদা সংকীর্ত্তন অথোয়বা সংস্কৃতি ওয়না রাজর্ষি ভাগ্যচন্দ্রনা লৈপাক নিংথৌ অচৌ-অপিক থায়দনা সংকীর্ত্তনগী পুং ঈশৈদা শরুক য়াবাগী থৌরম থৌশিনগী মতুং ইন্না মহারাজ চূড়াচাঁদসু সংকীর্ত্তনদা পুং ঈশৈ থোনদুনা শরুক য়াখি। সংকীর্ত্তনদা শরুক য়াবাসিবু সমাজ মনুংদা লেমজানিভায় ওয়হনখি। মনিপুরী ওয়রবদি পুং-ঈশৈ অগোই থংদবা য়াদে, হৈতবা য়াদে হায়বা ওয়হল্লী। মনিপুরগী স্কুল খুদিংদা পুং ঈশৈ ওয়াশিং থাদুনা স্কুলগী পাঠ্যক্রমদা তম্বাফমবা বিষয় ওয়না থাওহল্লী। শম্না হায়রবদা মৈতৈ মচা ওয়রবদি নুপী নিপা থাকতনা পুং, ঈশৈ, অগোই থবদং ওয়রাবসু খংদনা হৈতবা য়াদে। সংকীর্ত্তন জাতিগী থৌরাং ওইহল্লী। অহল লমনশিংনা হায়নবা" মনিপুরী মচাদি মমিত্তা মথিবোং পানবনি" হায়রমসি য়াম্না অর্থ-তত্ত্ব ওয়রবা পাওরৌসি মনিপুরী জাতিগী কলা সংস্কৃতিদা মরেক শেংনা তাকখি। রাজনীতিনা পংথাম নারবগী মরমনা মনিপুরী জাতি-স্বদেশবাসী মনিপুরী ওয়রি। স্বদেশ বিদেশ মনিপুরীনা লেপ্পা মনিপুরী জাতীয় মহাসভা নিখিল হিন্দু মনিপুরী মহাসভা" গী অনিশুবা অধিবেশন কাছাড় শিলচর তারাপুর মণ্ডপ-জানুয়ারী ৩০ ১৯৩৬ ইং মীফমদা মহাসভাগী সভাপতি শ্রীশ্রীযুক্ত চূড়াচাঁদ মহারাজনা য়াম্নাং লাওথোক পিদুনা হায়রি

মৈরু সভাগী মেরার পুম্নকনা মনিংথোনী নিংদুনা তৌরম্বা ব্যবহার উপ্পা ঙম্না য়াম্না পেল্লে। মনিপুরী জাতি পুম্নমক্কী পুক্নিংগী অরুবা লংনা পুন্দুনা তিংলিবা মচা অসি লৈনা, চেংসনহনবা তানি, মসিদ ইবুংথো ইবু কোশিংগী ম্না হাকথক্তগীনা মৈতৈ হায়বা জাতি অসিগী চাংদম্বা লৈতবা জাতীয় প্রেমনা ওইরক্রবনি। হকিকসু মৈথোয়গী জাতি অসিদা প্রেম অদু কাইদনা লৈরি হায়বা উপ্পা ঙম্বা য়াম্না পেল্লে। মৈনা নি জি মত্ত দসু মসি কোকসবোউদবনি। মসি যেংগে হায়বাগীদমক্তা মৈনা চিংশাং অসিদা চিংলোন মাপন লাম্না থোংনা [illegible] ইরবনি।

মৈনা মনিপুরী পুম্নমকপু বিদেশী মনিপুরী নত্রগা প্রবাসী মনিপুরী হায়বনিংদে মরমদি মৈথোয় পুম্নমক ভারত মচা ভাইনি মনিপুরসু ভারতকী মনুং চনবনি অদুদা জাতি পুম্নমক অসিগী শন্বুক তিন্দুরবসু থোংখাই অমত্তানি। থাইনা ইবুংথো ইবুংঙোশিংগী ম্না হাকথক্তা মৈতৈ শিংনা মমল যাম্নথবা মখোয়গী ঈ পিদুনা ভাকচিনবা অদু জাতিগী জাতীয়তা ভাকথিবনি। হুকিকতি ভারতকী মপাননি হায়না উথরাস পূর্ব উপদ্বীপ ফাউবা মৈতৈগী ঈনা মমল ওইনা শৈকম্নবনি, অদুনা মফম অদুদা লৈরিবা মৈতৈ পুম্নমক অদুগী মশাদা জাতিগী প্রেম অদু মুত্তরি। অদুনা অথাদা শৈথবাশি অদুসু মশা অমত্তনি। নু ভাইতবদি-সূর্য্য ভোলিদা মনিপুরীশিংগী পুকানং তিম্নদবগী পক্ক অনিমক পুম্না ফামিন্দবসিতদ মৈ নু ভাইতে, মহাসভাদি পদ্মা থবক তৌমিন্নবনি হায়না নিংই। অদুনা অরোইবদা হায়রগদবদি মৈথোয় পুম্নমক্তা ইবুঙো শ্রীশ্রীগোবিন্দজীউগী শ্রীচরণগী ছত্রচ্ছায়াদা লৈদুনা জাতিগী ধর্ম অমসুং প্রেম অদু ভাঙনা মৈবু নখোয়গী জাতিগী অমসুং ধর্মগী নিংথৌনি হায়থরবনিনা মৈগা লোয়নাদুনা মতিক চাউরবা সরকার বাহাদুরগী পেম্নবা হুম্না হুম্না থৌসি।

শোনিতপুর নৈবাক

জি চৌধুরী

কালিকা পুরাণনি নেরেক অমসু [illegible] [illegible] [illegible] মহানুপী [illegible] এআরী ফংবত [illegible] শোনিতপুর আসি হৌঙ্কী [illegible] সামনী তেজপুর আসিনি হায়না [illegible] ভট্টাচার্য্য [illegible] পীরমী [illegible] —

[illegible] শোনিতপুর [illegible] [illegible] [illegible] ইহা [illegible] [illegible] শোনিত। ইহা অসম্ভব নহে [illegible] বাণ ও [illegible] [illegible] [illegible] ইহা এই [illegible] সম্বন্ধেই [illegible]।

[illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] মন্দিরনি [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] লাইনিংখি। মন্দির অ'সগী [illegible] [illegible] কৌশিক [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] মসিগী [illegible] [illegible] [illegible] ইবুকুংগা [illegible] [illegible] লাইনিংখি। তেজপুরদা অগ্নিগোড় [illegible] চৌং ও [illegible]। [illegible] বাংলা দেশনী দিনাজপুরনী [illegible] দেও কটি অ'সিন [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible]। মফম অ'সনা বলিনী মহানুপ বাণনী শোনিতপুরনি [illegible] শ্রীআনন্দ [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] কাবেরী [illegible] দেবীকোট [illegible] মফম [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] বাণনী [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] শ্রীধীরেন্দ্র [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] মফম অ'সি [illegible] নিংথৌ বলিনী [illegible] হায়না [illegible]। মহাত্মা শিববদা মহানুপা বাণনা নিংথৌ [illegible]। শ্রীকৃষ্ণনা মহাকী [illegible] ৯২৮ [illegible] বাণ শিব ভক্ত। [illegible] [illegible] শিব [illegible] [illegible] নারায়ণনী [illegible] [illegible] [illegible] [illegible]। [illegible] [illegible] বাণাসুর [illegible] [illegible] লক্ষী অমসুং নারায়ণনী মথুরা [illegible] মহাকা মন্দির অ'। [illegible]। শ্রীমহেন্দ্র কুমা [illegible] বাণনী [illegible] শোনিতপুর [illegible] অসামনী তেজপুর অসিদা। দেওকোট [illegible] (দিনাজপুরদা) [illegible] [illegible]। অ'সনীস [illegible] [illegible] [illegible] নিংথৌ বলিনী মহানুপা [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] নিংথৌনী [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] পীরম্মী [illegible] মশনী [illegible]

লোন-দা আঁসনি—

'আসামের তেজপুর যে বাণ রাজার রাজধানী শোণিতপুর ইহা প্রসিদ্ধ। এমতাবস্থায় দেওকোটকে বাণের রাজধানী প্রতিপন্ন করা কষ্ট কল্পনা মাত্র। বলি ত্রেতা যুগের প্রথম ভাগের লোক, বাণ রাজা তাঁর পুত্র হইলে দ্বাপর যুগের শেষভাগে শ্রীকৃষ্ণের হস্তে নিহত হইয়াছিলেন কিরূপে? বলি ও তাঁহার পুত্র একাদিক্রমে সুদীর্ঘ ত্রেতা ও দ্বাপর যুগ ব্যাপিয়া কিরূপে রাজত্ব করিবেন? অতএব বাণাসুর দৈত্যরাজ বলির পুত্র হইতে পারেন না—দীর্ঘতমা নামক ঋষি দ্বারা স্বীয় পত্নীর গর্ভে সন্তান উৎপাদনকারী ভারতীয় বলির পুত্র হইতে পারেন। বুরঞ্জী মতে শোণিত পুর আদিবর্গের অন্তর্গত স্বর্গ হইতে বিতাড়িত দৈত্যরাজ কিরূপে স্বর্গের অন্তর্গত শোণিতপুরে অবস্থান করিবেন?" ৫

মহাজো মোত অ'স নৈনানজাইনি মহাভারততা দীর্ঘোতোমা মুনিনা বলি নিংখৌগী সৈমা সুদেষ্ণাগী সীয়োমনুংদগী মচা মন্ডা-খক পোরখিবগী ওন্না সীংখাই। দীর্ঘোতোমা মুনিনা সুদেষ্ণাগী মখা সোক্রুগা হাম্ৰখি মদু মহাজো নুমিং কুমনা মন্ডাল নৈরবা মচা ইবুংজো মন্ডা পোজোনি হারনা পাঁজি ম দু আঁসনি—

''তাং স দীর্ঘতমাঙ্গেষু স্পৃষ্টা দেবীম থাব্রবীৎ।

ভবিষ্যন্তি কুমারাস্তে তেজসাদিত্য বর্চসঃ।' ৬

মখোরগী মমিংদ ওঙ্গা (অঙ্গ) বাঙ্গো কোলিঙ্গো পুণ্ড্রো অমসুং সুহ্মোনি, অবুগা মখোরনা খুদুম চনবা সৈবাক লাং অদু মখোরগী মমিংদগী লাংতা ফওগনি। ওঙ্গোগী ওঙ্গো সৈবাক বোঙ্গোগী বোঙ্গো সৈবাক কোলিঙ্গোগী কোলিঙ্গো সেবাক পুণ্ড্রোগী পুণ্ড্রো সৈবাক অমসুং সুহ্মোগী সুহ্মো সৈবাক ওইখ মমাঙ্গী বলি নিংথৌগী লৈগে অদু অসুরা দীর্ঘতোমা মুনিদগী পোকখিবনি হায়না লীংখাই''৭। বায়ু পুরাণ শিবি বৃষাদোর্ভা সুবির মোদ্রো কেকোয়া অমসুং ওঙ্গা বোঙ্গো, কোলিঙ্গো সুহ্মা, পুণ্ড্রো, অঙ্গো-নচংবা বলি নিংথৌগী মচানি হায়না পাজী। মখোরনা পানখি পানখিবা মফম অদু মখোরগী মমিংদগী সৈবাকলাং অদুগী মমিং পোনখিবগী ওন্না লীংখাই। ৮

পুরাণ আসগী মতুং ইন্না চায়বু ৱর্বাদ বলি নিংথৌগী মচাওন্না মাথোইখক লৈরম্মী হায়বা খঙবা ফুমই। বায়ুপুরাণদা ইরিবা শিবি বৃষাদোর্ভো সুবীর, মোদ্রো অমসুং কেকোয়ো অ'স হরিবংশগী মতুংইন্না বলিগী মচা নত্তে। হরিবংশগী হরিবংশ পর্বদা শিবি অ'স দৃষোখো তীগী পী ক্রুংদা উশীনোরগী মচানি। শিবিনা শিবি সৈবাক্তা নিংথৌ ওইখি হায়না পাঁজি '৯। অদুগা বৃষো দোর্ভো সুবীর মোদ্রোক (মোদ্রো) অমসুং কৈকেয়ো অসি শিবিগী মচাশিনা। মখোয়না পানখিবা সৈবাক অদু বৃষদোর্ভা, সুবীর মোদ্রোক অমসুং কোকয়ো হায়না মমিং চংথবগী ওন্না লীংখাই। ১০

লেখোক খী এইচ বোসভরন বলি নিংথৌগী মচনুপা অবনি হায়মা ফাহুদেক্লি। মদু দা ওঙ্গো বোঙ্গা কোলাঙ্গো সুহ্মো পণ্ড্রো খাঙ্গো অমসং বাংশোয়ান রাঙ্গোগনি। " ১। চৌইথসু চরিত্রগী হরি বংশ পর্বদা 'ভীতক্ষুন' লান্থদা পোক্রবা বলিগী মচা মন্ডা পোকখি।

মচা অদু মমাং লীংনা ওঙ্গো, বোঙ্গা সুহ্মো, পণ্ড্রো অমসুং কোলিঙ্গোনি। মখোয়বু বাংশো' কোইদো হায়রি।

থক্তৈ। বলি অসিগী শাগৈদা বাজেরো ব্রাহ্মণস্ পোকখিবনি ওয়া পল্লি "১২।

মথক্তা পল্লিবা বলিগী মচা-শিং পুষ্পক অসি ক্ষেত্রোজোনি (চাউপোকনি) মুনি দীর্ঘো-ত্তোপা। (মহাভরতা দীর্ঘো-ত্তোমা) সুদেষ্ণাগী শীয়োমনুংদগী পোকপনি। নিংথৌ বলিগী মচানুপা মক্তা অসি ত্তোওন থোত্তানগা লৈবাতা নিংথৌ ওইহনখি। মহাক্কী মচা নুপা মতোমা সংং শীংনা থক্তো পোক্কা সুক্ষো কোশিঙো অমসু পুণ্ড্র-কতা পানখিবগীদুগুম্মা হরিবংশগী হরিবংশ পর্বদা ইদুনা লৈ "১৩।

তইথম্‌ মহাভারত্তা শান্তি পর্বদা পানখিবা বাণ নিংথৌ অসি দত্তা নিংথৌ বলিগী মচানুপানি হায়না শীংথাই "১৪। বলিগী মচা অহন বাণ কৌবা থোনাফরবা নিংথৌ অমা লৈরম্মী মহাক্কী পাম্বোম লিশিং অমা পাল্লম্মী "১৫। হরিবংশগী হরিবংশ পবদা দৈত্তা নিংথৌ বলিগী মচানুপা চামগী মনু দা বাননা খাইদগী অহন্নি। ধৃতরাষ্ট্র সুয়ো, যোধ্রুমা, হস্ত্র তপোন কুম্ভোনাভো গোদোভাক্কো কমসু কুম্ভনাচবা মচানুপা চামগী মনু দা অহন বাননা কন থোই অমসুং মাহা-দেবনা চাল্লম্মী। মমাক্তৈদা বাননা উমাগী মপুক্তোইবা মোহেশ্বোরবু পেনহন্দুনা বোর নিজখি, মদু মহাক মোহাদেবকী মাক্তা লৈদুনা চৎকনি। লোহিতী কৌবী নুপীদা বাণজী ইন্দ্রদামোমান কৌবা মচানুপা অমা লৈরম্মী। অসুর লাথ অমহোম মচাক্কী মী ওইরম্মী মদু হরিবংশদা ইদুনা লৈ "১৬। হরিবংশগী বিষ্ণু পর্বদসু থোনাফরবা বলিগী মচনুপা বাণনা মচিন্নাও চামগী মনু দা খাইদগী অহন্নি অমসু মহাক্কী থুংলাই চাম পাম্বা পাম্বোম লিশিং অমা পাল্লমগী ওয় পল্লি "১৭। অসিতসু যজ্ঞনা পর্ব অসিদা বিরোচোনগী মচা বলিগী মচানুপা থোনাফরবা বাণ কৌবা মোহাসুর শোণিতপুরগী নিংথৌনি হায়না শীংথাই "১৮। বাণাসুরবু মোহাকাল চায়নসু থক্তৈ "১৯। অগ্নি পুরাণগী অধ্যায় ১৯গী লিশোক ৫ দগী ১১ ফাওবদসু বিরোচোনগী মচা নুপা বলিগী মচা চাম পোকখি। বাণনা খাইদগী অহন্নি হায়না শীংথাই। গর্গ সংহিতাগী গোলোক খণ্ডগী অধ্যায় ৭ তা বাণাসুরবু দৈত্তা নিংথৌ অমসু বলিগী মচানি হায়না পল্লি।

মথক্কী ওয়াফম কয়ামুক অসিনা ত্রিভিক্ষুব শাগৈদা পোক্কবা বলি নি থোগী মচাশিংগী মনুংদা বাণ হাউদে। বাণদি দৈত্তা নিংথৌ বলিগী মচানুপা অহন্নি। মসিগী বলি অসি দৈত্য নিংথৌ বিরোচোনগী মচানুপানি ওয়ফম অসিনা শ্রীমহেন্দ্র কুমার সিংহনা বাণ নিংথৌবু দীর্ঘো-ত্তোমানা দীর্ঘোত্তোপানা) সুদে-ষ্ণাগী লিক্লাইদগী পোকখিবনি হায়রিবা ওয়াফম অসিগী করিগুম্বা যুক্তি অমত্তা লৈতে।

ওঙ্গা (অঙ্গ) শৈবাক অসিগী মিংথোনগী মরীদা রামায়ণগী বালকাণ্ডদা অসুম্না ইরি, মদু বিশ্বামিত্রোনা রাম লোক্ষ্মোণবু পুদুনা সোরোযু অমসুং গঙ্গাগী ঈশানফম চৌথি ঈশানফম অসিগী মনাক্তা লাইনিংথৌশিংগী অঙেংবা আশ্রোম অমা লৈরম্মী। আশ্রোম অসিগী মরীদা মায়া হংবদা বিশ্বামিত্রো মুনিনা থুরখি মদু মকম অসিদা মোহাদেবনা লাইনিংদুনা লৈখি। নেংমো মোংফমদগী হোংগৎলঙ্গুনা শিবনা যেংবুদশিংগা লোয়ননা মদন্ম অমনা চংলিক্তৈদা কামদেবনা লান্দারম্মী। মদুদা মোহাদেবনা

লাউদুনা অলাউবা মীংশেনো শেংবদগী কামদেবকী হকচং উৎ ওইনা তুমখি। মদুদগী মহাকপু (কামাদেবপু) 'ওনেঙ্গা' অনঙ্গ) হায়না কৌখি। নীংথিজরবা কামদেবকী হকচং থাদোকখিবা মফম অদুবু 'ওঙ্গো (অঙ্গ) লৈবাক কৌদুনা মামং চংথিবগী ওআ লীংখাই '২০।

মহাভারততা নিংথৌ বলিগী মচানুপা বাণনা ক্রৌঞ্চ চীংজাওদা লৈদুনা লাইয়াম পুম্নমকপু অ'ওআবা পীরম্মী। মোহাদেবনা (কার্তিক্কা) দৈত্য অসিগী মথক্তা লান্দাখি। মতম অদুদা মহাক কার্তিকপু কিবদগী ক্রৌঞ্চ চীংজাওদা চঙজখি। মদুদা কার্তিক্কা রায়া লাইনা অগ্নিনা পীবা লম্বিনা ক্রৌঞ্চ চীংজাও থুগাইখি অমসুং দৈত্যানিংথৌ বলিগী মচানুপা বাণাসুরবু মনা ওথিংগা লোয়ননা রাম্না থনা মাঙহনখিবগী ওআ পাল্লি "২১।

হায়রিবা ক্রৌঞ্চও চীংজাও অসি কলায়মবো হায়বদু থিংজিন্নবাইনি মহাভারততা ক্রৌঞ্চ ঈথৎতা ক্রৌঞ্চ কৌবা চীংজ ও লৈ। ক্রৌঞ্চ চীংজাওগী মথংদা বামান বাখোনগী মথ দা অক্কোকার অমসুং অক্কোকারগী মথংদা মৈনাক চীংজ ও লৈবগী ওআ পাল্ল '২২। মৈনাক চীংজাও অসি কৈলাস চীংজাওগী মাওআ দনি হায়বা মহাভারতগী থওবা ভুমই '২৩। হায়রিবা ক্রৌঞ্চ চীংজাও অসিগী মনক্তা কুশেল লৈবাক লৈখিবগী ওআশীং লাই' ২৪।

চীংজাও অসিবু হিমালোয়গী মচানি হায়না পন্দুনালৈ"২৫।

রামায়ণগী কিস্কিন্ধা কাণ্ডগী সর্গ ৪০ দা সুগ্রীবনা সুসেনদা অয়াংমাশৈদা লৈবা লমদমশিংগী মমিং লীংথারকপদা কৈলাস চীংজাও লাল্লগা ক্রৌঞ্চ চীংজাও লৈখিবগী ওয়া পাল্ল '২৬ ক্রৌঞ্চ চীংজাও অসিগী মথংদা মানস সোরোবোর অদুগী মথংদা মৈনাক চীংজাও লৈরনাখি",৩

ওআকম অসিনা ক্রৌঞ্চ চীংজাও অসি কৈলাস চীংজাও ... মৈনাক চীংজাওগী মরক্তা হায়রদি কৈলাস চীংজওগী মওংদা অ ... মৈনাক চীংজাওগী মাদা ... থোক্ক। অদুগা কৈলাস চীংজাও লাল্লগা মানোস সরোবরগী মরক্তা ক্রৌঞ্চ চীংজও লৈখি। মথক্কী ওআফম অসিদগী খঙবা ভুমই মদু অসিগী চীংজাও অসি ভরতকী আওআংমাদ শৈদনি নোংপোক মায়কৈদা মক্তে। অদুগা রামায়ণদা ভারতকী খা মায়কৈদা ক্রৌঞ্চা রাণো কৌবা উমং অমগা ...লৈখিংগী ওআ পাল্ল মচু পোক্তেংবোটাংগী খাবোমদা লাক্কগা জোনাম্ব্রানদগী ক্রেশ ০ লাপ্না লৈ' ২৮।

অদুনমক খা ভারতসু ক্রৌঞ্চ কৌবা চীংজাও অমা লৈরগনিরা কার্তিক্কা বাণবু হাংখিবা মফম অদু খা ভারতা নত্রগা অওআং মায়কৈদরা হায়বদু খঙনঙাইনি। খা-ভারতা চংনবা মহাভারতা বাণ নিংথৌনা লোণিত পুরদা ১হাক্কী লৈবাক লৌশংখিবগী ওআ লীংথাই ২৯। ঐগোমনা উত্তাগা অনি বৃন্দাবনগা নুংজিনবগী ওআরী যংই। মসিগী ওসবী অসি খা-ভারত চংনবা মহাভারতা শংলো চরি ৩০।

হরিবংশগী ওআরী অসি হরিবংশগী বিষ্ণুপরবা নীংথিজনা অসুং মরীক চুমা দুনা লৈ। হায় বিবা পর্ব অসিগী অধ্যায় ১ ... বলিগী মচানুপা পা মোম ... অনা পানবা বাণাসুরবু ভগবান শ্রীকৃষ্ণনা লানথম সু ... খাদোক পীরম্মী। বাণনা মহাদেবকী মচ নুপা ওইনবা লাইংনং খিবদা মহাদেবনা পনবিক্তনা দেবী পার্বতীদা মী বাণ অসি কার্তিক্কী মনাউ অক্তোনবা ওইগনি হায়না তাকপীখি। অদুগা মহাদেবনা

হায়ৗখি, মদু অগ্নিকুমার মোহা-সেননা পোকখিবা মকম বৃথির-পুরদা বাণগী কোনুং ওইরানি। অনুগুম্বা অথোয়বা নোংগোম অদু শোণিতপুর কৌদুনা মমিং চৎকনি অদুদগী বাণ শোণিতপুরদা লৈদুনা লৈবাক শাসোন তৌ খি। ত্রিলো-চোন শিবনা ভাক্তিবা মোহাসুর বণনা মপাঙ্গনগী মাপন তৌদুনা লানগী খুদোংচাবা ফিরম্মী। মহা-দেবকী মনাত্তা চৎতুনা মহাক্কা লাগ্গু নবা ফংদবগী মমক মহাক হিংবগী কান্নবা লৈরে অমসুং মহাক্কী লিশিং অমা পানবা পাখো মগী অরুবা পুর্বুমা কাল্লদ হায়ৗখি। মদুদা শোক্কোলনা করেমনা লাক্লুনা বাণগী লাক্কংলবগী খুদোংচাবা ফংগ ন তাকপিখি। ওয়াকম অসি বাণনা মহাক্কী মন্ত্রী কুম্ভ তোদা তমখিবগী ওয়ানচিং বা শীংথাই। পর্ব অসিগী অধ্যায় ১১৭ তা শোক্কে মগা পার্বতীগা গঙ্গা তুরেন-গী নীংথিজরবা তোর্বান্দা শাম্বিরৈ মতম অচুদা বাণগী মচাইবেম্মা উসাসু মফম অদুদা লৈরম্মী। উষগী মপ্ৰক্ৰ দা মপুমোইবা ফং-নিংবগী ওয়াখল অদু অডবদগী পার্বতীনা মাসু মপুমোইবা ফংগনী হায়ৗখি। থোর অদি ফংবগী উষাগী কান্নবগী লৈচাক্কী ওয়ারী পাল্লি। অধ্যায় ১১৮ দা উষাগী মমতদা মাগী নু শিবা মীশক অমা উবা কুম্ভাণ্ডগী মচানুপীনা হায়-বদগী উষানা চিত্রলেখাদা মশাগী অওয়াবা কোক্তোকপা, চিত্রলেখনা অনিরুদ্ধবু উষাগী মপুমোইবনি হায়না খনবা অমসুং মহাকপু পুমক্বাগীদমক চিত্রলেখাবু থো-কাদা চৎননবগী ওয়াথং পী। অমদি কায়োকপুরীদা থংখিবগী ওয়া শীংথাই। অধ্যায় ১১৯দা চিত্রলেখানা অনিরুদ্ধবু কায়োকাদগী শোণিতপুরদা পুরকপগা উষগা উনহনবা গন্ধর্বা পথাপকী মতু-ইন্না লুহোংবা, লুহোংবগী পাউঅাস ফংবদ বাণনা অনিরুদ্ধগী মথক্তা লান্দাবা মমৈদা লান্দা অনি-রুদ্ধবু বন্দী তৌখিবগী ওয়া পল্লি। অধ্যায় ১২০দা উষাগা লোয়ননা অনিরুদ্ধবু নিংথোবাননা বন্দী তৌদুনা থম্বা, অনিরুদ্ধনা আর্যাদে গী থোক্লম্বগী অওয়াবদগী কর্মাবাখিবগী ওয়া শীংথাই। অধ্যায় ১২১ দা অনিরুদ্ধবু দুরাণ-থংবদা ইমুং মনুংদা ওযাবা ফংজদো পা, শ্রীকৃষ্ণ অমসুং যাদোবশিংনা ওয়াথল তৌবা, শোক্লাবা থাবা অমদি মথোংগী কান্নবন চিংবগী ওয়া পল্লি। নারদ মুনিনা লাক্লুনা অনিরুদ্ধগী লৈফম অমসুং থোকখিবা থৌদোকশিংবা তাকখি। নারদগী ওয়াদগী শ্রী কৃষ্ণনা নিংশিং মমতদা গরুড় থংলেখা গরুড়গী মথক্তা তোংদুনা শ্রীকৃষ্ণ লানগী দমক থোক্লানখি। অধ্যায় ১২২দা শ্রীকৃষ্ণ বলভদ্র অমসুং প্রোদ্যুম্নবু পুদুনা গরুড়না অগ্নিদা পইদুনা চংখি। গরুড়গী মশামা দুম্মকপদা অমাবা চীংজাওশিং থক থক নংক্রবগী ওয়া পাল্লি। হায়রিবা চীংজাওশিং অসি আয়াথোম্বা অমসুং উমোর প্রোদেশকী হিমালোয় লমদমগী লানভমদুবা চীংজাওকাক ওইরম্বা মাই। শোণীতপুর মনাক থোর-ক্তাদা শ্রীকৃষ্ণ বলরাম্চিংবগী হংকচাংশিং অদু সনা অংহংবগী মচুগুম্না ওইখি। মমাং অসিদা বলরামা হংখিবদা শ্রীকৃষ্ণনা খুমখি-"হে অগ্রিন্দোম, ঐনা খঙবা মমই, মদু বাণাসুরগী নোংগোম মনাক মক্তদা থংলরে। মহাকপু তাক্রবগীদমক থেরক্লুনা অগ্নিনা চাক্লুনা লৈরি-বনি। ঐথোয়না লাম্মারকপ অদুদা মৈশানা শোকপনি (অওআবা নংবনি)। মীসনা ত্রিংখাম্রগী হকচাংগ মচু ওইরবনি"

অসুম্না চাক্লুনা লৈ রখ মৈশী লামখন অসিবু থানিংশি মগী লানংন (অগ্নিগোড় হনা

কৌইন। মৈগী জানবর অসিবু লান্দুনা শোনিতপুরদা চঙবা ওইখোল্লে। মরম অসিনা শ্রীকৃষ্ণনা বিনোদ্ভাগী মচা গরুড়গা মৈ অসি মুথৎনবা হোৎনৌ হায়রনা য়াথং পীখি। শ্রীকৃষ্ণগী য়াথং য়ৎবগা গরুড়না মচীনশিনং লোওখোক্লে য়ায়া শ না গঙ্গা তোর্বান্দা চংখি। মখোয় অদুদা আকাশ-গঙ্গাদা কুমখৎলগা থোমাফরবা গরুড়না ঈশিং য়ায়া থক্লমী অমসুং অগ্নি দেবকী মথক্তা চায়রমী। অসিগুম্বা পাঁবনা শোমিং শিংলবা থিনাম্মা মচানুপানা ময়ুম থি। লান্দার কপা মৈ শঙ মুৎন্থ। আকাশ-গঙ্গাগী ঈশি না লান্দারকপা মৈ মুৎখিবা (ঈৎখিবা) অদু উরগা গরুড় যাম্না ওকথিরন চিংবগী ওয়া অধ্যায় অসিদা লীখোই।

অগ্নি পুরাণগী অধ্যায় ১২গী শিলোক ৪০দগী ৫৩ ফাওবদা বলি নিংথৌগী মচানুপা বাণনা শোনিতপুরদা নিংথৌ ওইরি অমসুং ভগবান শিববু নিংশবগী শিবনা মহাকপু মচানুপা ওইনা লৌশিনখি। নোংমা কৈলাস চীংজাওদা ভগবতী পার্বতীনা ভগবান শোংক্কোরগা শান্নরিবৈদা বাণগী মচাইবেম্মা উষানা মদু উবুবদা মহাক্কী পুক্নিংদা মপুঙোইবা ফংনিংবগী ওআখল পার্বতীনা মহাক্কী পুক্নিংগী ওয়া খঙলদুনা হায়খি, মদু মহাক্কী মমঙদা নুপা উপনি, মদু মহাক্কী মপুঙোইবা ওইগনি। মগী কুম্ভাণ্ডগী মচানুপী চিত্রলেখানা লেকপা লাঞ্জো অনিরুদ্ধোনি হায়বা খঙবা ওইখি অমসুং চিত্রলেখাবু থাদুনা অনিরুদ্ধোবু য়াবোকাদগী পুরকখি। অদুগী শ্রীকৃষ্ণ প্রোদুম্ন বলভদ্রগা লোয়ননা গরুড় তোংদুনা শোনিতপুরদা থুংখি অমসুং লান্দা বাণগী পাম্বাম ১১৮বু কককখি। ওআফম অসি হরিবংশগা থোইদোক্না খেন্নবা উদে।

মথক্কী ওআফম অসিদগী খঙবা ঙমই মদু আকাশ-গঙ্গাগী মনাক ওআইমক্তদা বাণগী কোনুং, শোনিতপুর লৈখি হায়গদবা ওই। অদুনীদ আকাশ গঙ্গা অসি কদায়দনো ? মহাভারত্তা যুধিষ্ঠিরনা স্বর্গদা চংখিগা আকাশ-গঙ্গাদা ঈরুম্বগা মীওইবগী হকচাং থাদোক খিংগী ওঅ পল্লি, মদু অসুম্বা ইরি—

"অনুদর্শিতঞ্চ ধর্মেণ
দেবরাজেন পাণ্ডব।
আপ্লুত্যাকাশ গঙ্গায়াং
দেহংত্যক্তা সমারুহৎ॥"৩১

ওআফম অসি স্বর্গারোহণ পর্বদসু লীখোই ৩২। যোগপর্বগী, অধ্যায় ১৪২দা লোমোশ মুনিনা পাণ্ডবশিংদা গঙ্গাদ্বারদা চেংবা দেসী তোংগোবোত্তীবু খুমজনবা হায়খি। মুনিগী ওয়া অসি ত মগা পাণ্ডবশিংনা আকাশ গঙ্গায় খুম্মকখিবগী ওয়া পল্লি ৩৩।

মথক্কী ওআফম অসিগী মতুং ইন্না আকাশ-গঙ্গা অসি হরিবংশগী মনাক ওআইদনি। আকাশী গঙ্গা কৌবা অমদি আসামগী মনুংচেনবা নোংগাওদা লৈ। মসিগী আকাশী-গঙ্গা অসি মক্তে। করিনা গরুড়না মৈ মুৎলনবগীদমক গঙ্গা তোর্বান্দা চংখি। গঙ্গা তুরেল অসি আসামগী মনুংদা চেন্দ, চেৎলবদ অওঅং-ভারত্তনি। অদুগা উষানসু গঙ্গা তুরেল তোর্বান্দা শিব-পার্বতীগী শানবা উখি। কবিগুন্না হৌজিক্কী আসামগী মনুংচনবা তেজপুর অসি বাণগী কোনুং শোনিতপুর ওইরবা অমসুং আকাশী-গঙ্গানা নোংগাওদা লৈরিবা অসি ওইনা তারগদি শ্রীকৃষ্ণনা গরুড় তোংদুনা তেজপুর লমদম অসি লাম্থোকপম থোকই। অদুবু শ্রীকৃষ্ণনা শোনিত-র লান্দুনা চংখিবগী ওয়া পল্লে। ওআফম অসিনা নোংগাওগী আকাশী-গঙ্গা অসি ওইবা য়াদে।

•অদুগা কার্ত্তিক্কা পোকখিবা ঙুখিরপুরদা বাণগী কোনুং ওইদনি হায়খিবা মফম অসি কদায়দ'নো ? মহাভারতা কার্ত্তিক্কা পোকখিবা মফম অসি শ্বেতো পর্বে ত (হিমালোয় চীংজাও) কী শেরোস্তোম্ভাদনি (শোরোবোম্বনি) ৩৪। মহাক্কা শ্বেতো পোর্বোত্তো ত্তেন কাপ্পী মদুদা মহাক্কী ত্তেন হিমালোয়গী মচানুপা শ্বেত চীংজাও থুগাইখি গী ওয়া শীংথই ৩৫। রামায়ণদা কার্ত্তিকা পোকখিবা অসি শ্বেতো পোর্বোতকী শোরোবোন্দনি (সোরোকোত্তেগী উমংদনি) ৩৬। মসি কৈলাস চীংজাওগী অমাইদনি। হরিবংশগী হরি বংশ পর্বসু কার্ত্তিক শোরোবোনদা পোকখিবগী ওয়া পল্লি ৩৭। অদুগা অকাশ গঙ্গা হায়রিবা মসি কেদার গঙ্গা নত্রগা মোন্দাকিনী নত্রগা অলোকানোন্দা হায়নসু খঙনৈ। রামায়ণদা কুবেরনা লঙ্কা থাদোকখ্রবা কৈলাস চীংজাওদা লৈবা মোন্দাকিনী তুরেল চেংখ্রবা মফমদা লাক্লুনা অলোকাপুরী কোনুং শেমখিবগী ওয়া শীংথাই ৩৮।

গর্গ স হিতাগী গোলোক খণ্ডগী অধ্যায় ৩তা কংসনা প্রাগজ্যোতিষ লৈবাকতগী থোক্রগ শোষর সুবগী মোগোয়রদা চংখি। অদুদগী ত্রিকুট চীংজওদা লৈবা ব্যোম কৌবা অসুরবু মায়থীবা পীখি। কংসগা নারদগা উনবা অমসুং নারদনা বাণাসুরগী মনাক্তা চংনবা হায়খি। অদুদগী কংসনা বাণাসুরগী লৈবাক শোণিতপুরদা চংখি। কংসনা বাণাসুরদা লান্থেংননবা হায়খি। মদুনা বাণাসুরনা মাগী মথাক নাম থাঙ্গৎনবা হায়খি অমসুং কংসনা থাঙ্গৎখি। বাণাসুরনা কংসগা লান্থেননবা তৌরবদা শিবনা থামখি। মতাং অসিদসু বাণাসুর অসি দৈত্য নিংথৌ না অমসুং বলিগী মচানুপানি হায়না পল্লি। বিশ্বজিত খণ্ডগী অধ্যায় ১৪দা প্রোদ্যুম্ননা নেপাল নিংথৌ গোপেংবু মায়থীবা পীখি। অধ্যায় ১৯ দগী ২০ ফাওবা শোণিতাপুরদা চংলগা দুর্যোধোনবু মায়থীবা পীখি। অধ্যায় ২১ দা কৌরোবকা যাদো কা লান্থেংনবা অমদি বলরাম শ্রীকৃষ্ণনা ভাইথিনবা। অধ্যায় ২২দা অর্জুনগা লোয়ননা প্রোদ্যুম্ন ত্রিগোর্ত্তো অমসুং মোৎস্যো লৈবাক থুদুম চনখি। অদুদগী সোরে খোংজী তুরেলদা ঈবুজবগা কুরুক্ষেত্র তীর্থ দর্শন তৌরগা কোশাম্বী ✳ শোগো-ত্রীদা চংখি। মতম অদুদা সৌবীর নিংথৌ সুদেব, আভীর নিংথৌ বিভিত্তো, সিন্ধুপোতি চিত্রাঙ্গোদ, কাশ্মীর নিংথৌ মোহোত্তা, জাঙ্গোল মপু সুমেরু লাক্কেশ্বোর ধর্মপোতি অমসুং গন্ধর্ব নিংথৌ বিদ্রোত্তবু থুদুম চনখি। মথ দা কালযোবো নগী মচানুপা যোবোন মপু চোণ্ডোবু মায়থীবা পীখি। অদুদগী হিমালোয় চীংজাওবু থাদা থম্লগা প্রোদ্যুম্ন অণ্ডাং লোৎপোক লোয়দা চংখিবগী ওয়া শীংথাই। অধ্যায় ২০দা প্রোদ্যুম্ননা কৈলাস চীংজাওগী নাকমগী শরুক্তা বাণাসুরগী লৈফম শোণিতপুরদা চংখি অমসুং থুদম চনখি। অদুদগী অলোকাপুরীদা চংখি। মফম অসিদা গোন্দা অমসুং অলোকানোন্দা কৌবা তুরেল অনী লৈঅমসুং কুবেরগা লান্থেংনখিবগী ওয়া পন্দুনা লৈ।

মথক্কী ওয়াফমশিং অসিগী মতুংইন্না হায়রুরবদি বাণগী কোনুং শোণিতপুর অসি হিমালোয় নত্রগা কৈলাস চীংজাওগী অমাইদনি হায়গদবা ওই। কার্ত্তিক্কা পোকখিবা শোরোবোন অসিসু হরিবংশগী বিষ্ণুপর্বদা ঙুখিরপুর হায়না কৌরবগী ওয়া পল্লি। শোণিতপুরবু বানপুর হায়নসু কৌরম্মী হায়বা হরিবংশদা শীংথাই ৩৯। ওয়াফম কয়ামুক অসিনা বাণ নিংথৌগী কোনুং শোণিতপুর

অসি উত্তোর প্রোদেশকী চী঳াও শিংগী অওয়াংবা কুমাউনগী কেদারগঙ্গা নত্রগা মোন্দাকিনীগী (আকাশী গঙ্গাগী) মনশিংসি হায়বা য়াই। মমাঙতৈগী শোণিতপুর অদু উখা মোঠ গী মাইল অহুমলোম লাপ্পা লৈখি। উখা মোঠ অসি রুদ্রা প্রোয়াগকী অওয়াংদা অমসুং হরিদ্বারদগী কেদারনাথ চংপা লম্বীগী মরক্তনী। শোণিতপুরদগী পংলাপ লাপ্পনা গুপ্তোকাশী লৈ। হায়নবা লৈ মদু গুপ্তোকাশী অসি মমাঙতৈদা বাণ নিংথৌনা শোণিতপুরগী মনুংদা লীঙথংখি। অপাক নৌন্দা নত্রগা মোন্দাকিনী মত্রগা আকাশ গঙ্গাগী মনাক্তা লৈবা শোণিতপুরগী চীংঙাও অমগী মথক্তা থাবনগী অতেক অকার শসু লৈরি অমসুং মশিমক বাণ নিংথৌগী কোনুংনি হায়রৈ ৪০। অদুগা মশিমদি ঐবোয়মা থঙবাঙমই, মদু ভারতকী নোংপোক্তা হায়বদি আসামগী তেজপুর অসি বাণগী কোনুং শোণিতপুর অদু নত্তে অওয়াং ভারত হায়বদি হিমালোয় চীংঙাও নত্রগা কৈলাস চীংঙাওগী অবদাই-দনি। অসোয়মদা হায়রগা উত্তোর প্রোদেশকী অওয়াং মায়কৈদ লৈবা আকাশ গঙ্গাগী মনাক্তা হায়বদি হিমালোয়গী মচানুপা ক্রৌঞ্চ চীংঙাওগী মনাক্তনি। ওয়াকম অসিনা কালিকা পুরাণগী ওয়া লৌদুনা নত্রগা তোংদুনা কাংগুম্বা অমা হায়বা য়াদে।

অদুগা ওয়াকম অমনা বিষ্ণুনা বামোনগী শারোন্দ লক্রগা যজ্ঞ তৌদুনা লৈরিবা বিরোচোনগী মচানুপা বলি নিংথৌবু (বাণগী মপাইবুংঙো) পাতালদা নমথ থবগী ওয়া হরিবংশগী ভবিষ্যপর্বদা পল্লি। বলিনা যজ্ঞ তৌ থবা মফম অসি কদায়দনো? হরিবংশগী ভবিষ্য পর্বগী অধ্যায় ৩১ দা জনমেজো-য়না বৈশোম্পায়োন্দা হিয়োংগ্যা-তোংদুগী শারৈগদা পোক্রগা নিংথৌ বলি ব্রহ্মাগী ক্ষেত্রদা কুইনা করৌগীদমক যজ্ঞ তৌখিবনো হায়না হংখি। অদুদা বৈশো-ম্পায়োননা খুমখি, মদু থৌনাফরবা নিংথৌ বলিনা পৃথিবীদা মশীং-য় য়াগা সনাগী দক্ষিণাগা লোয়নননা রাজসূয়ো যজ্ঞ তৌখি। মহাক্তা লাইনিংথিবা মফমদা, গঙ্গা-যমুনাগী-মরক্তা যজ্ঞ তৌখিবগী ওয়া লৈংলই৪১।

হায়রিবা মফম অসিদা বিষ্ণুনা বামোনগী শারোন্দা বলিগী মফমদগী খোঙথম অহুমগী তিক্কা লৌরগা পাতালদা নমথখিবগী ওয়াপারি৪২। মফম অসিদা মমাঙতৈদা ব্রহ্মানা লৈরম্বী অমসুং-দে কো থুংনমা মচানুপীশিংবু দান তৌরিবা মফমদা। মফম অসিদা লাকখিবগী ওয়া লৈংলই ৪৩। অগ্নিপুরাণগী অধ্যায় ৪গী শিলোক ১দগী ১৭দা লৈত্তা বলিনা গঙ্গা-দ্বারদা যজ্ঞ তৌখি। বিষ্ণুনা বামোনগী শারোন্দা মফম অসিদা বলি নিংথৌবু সুতাল লেকতা নমথখি ওয়া পল্লি। ওয়াকম অসি-নসু তাগনই, মদু বলি নিংথৌনা আসামগী তেজপুর লমদমদা পান-খিদে। ●

—০—

---

১ কামরূপ শাসনাবলী (ভূমিকা কামরূপ রাজাবলী) Foot Note– পৃ ২২,

২) N Basu – History of Kamrup,

৩) Nandalal Dey—The Geographical Dictionary of Ancient and Medioeval India) 1927, Luzac)— P 189,

৪) মন্দিরে মন্দিরে পৃঃ ৩৫ ৪২

৫) মনিপুরের প্রাচীন ইতিহাস (১ম খণ্ড)—পৃঃ ৮৭,

৬)। ১।১০৩ অমসুং ১০৪গী মরক্তা য়াউবা অহেনবা অধ্যায় ॥ ৫০ ॥, {(আর্য শাস্ত্রনা ফোংবা মহাভারত) (মসি কবি কবি গুম্বা মহাভারতা মসিগী অসি হেনবা য়াউই } ,

৭ মথক্কী য়াউফমগী অহেনবা অধ্যায় । ৫১—৫৩ ॥

৮) ৯৯। ১৭-৫৩ ॥ ৯) ১।৩১।২৭ ॥

১০) ১ ৩১।২৯ ৩৪ ॥

১১) রামায়ণ — গীতা প্রেসনা ফোংবা - রামায়ণ কালীন ভৌগোলিক দিগ্দর্শন (হিন্দী) —পৃ। ১৬১৫

১২) ১।৩১।৩১—৩৪½ । ১৩) ১।৩১।৩৯-৪২ ॥

১৪) ১।৬৫ ২০ ॥ ১৫) ২ ৩৮।৬৭½ (খা ভরতা চৎনবা মহাভারত)

১৬। ১।৩।৭৫—৭৮ ॥, ১৭। ২।১১৬।৫।

১৮। ২।১১৯।৭।

১৯। ২।১১৬ ১৫৮ ॥ ২০। ১।২৬।১৪ ।

২১। ৯।৪৬।৮২—৯০½ । ২২ ।৬।১২।১৭—১৮

২৩। ২ ৬।২ ॥ ২।৭।৯।, ৬।৬।৪২ ।

২৪। ৬।১২।১০½ । ২৫। ৬।২২৫।৪২½ ।

২৬। ৪।৪৩ ২৭—২৫ ॥ ২৭। ৪।৪৩ ২৯ ॥

২৮। ৩ ৬১ ৫ ॥

২৯। ২ ৩৮ ৬৬৬—৬৭৭ ॥ ৩০। ২।৩৮ অধ্যায় ।

৩১। ১।২।৩৭৬ ॥ ৩২। ১৮।৩।২৮—৪১ ।

৩৩। ৩।১৪২।৯—১১ ।

৩৪। ৩।২২৫।১০—১৭ ॥, ৯।৪৪ ৯—১০ ১।৬৬।২৩ ॥ ৩৫। ৩।২১৫ ২২½ ।

৩৬। ১ ২৭।১৮½।১।৩৭।১৬½ । ৭।৬।১ ॥

৩৭। ১।২৫।৩৯—৪০ ॥

৩৮। ৭।১১৪১—৫২ ॥

✻ গীতা প্রেসনা ফোংবা গর্গ সংহিতাগী লোম্পা-রোক্তা মসিগী কোৎগী অসি এলাহাবাদতা লৈরিবা কোৎগী অদু গতে হায়না মোতপীরি Foot note— পৃ ঃ ২৮৪।

৩৯। ২।১৮।৯৬ ॥ ২।১২০।১, ২।১২০।৩৬½ । ২।১২০।২৯½ । ২।১২২।৪০½

৪০। Nundolal Dey — Geographical Dictionary of Ancient and Medieval India – P 189, ডঃ পদ্মধর গগৈ—অসমত প্রচলিত পৌরাণিক আখ্যান সমূহর মূল বিচার শোণিতপুর'—পৃ ৫২—৫৪.

৪১। ৫।৩১।৩—৫ ॥ ৪২। ৩।৩১—১১—১৪ ।

৪৩। ৩ ২২।৮ ॥

● ওয়াংরে অসি ঐগী থুমিবা লৈরিবা "মনিপুরগী মমাঙ্গৈগী মিংথোল, হায়বা অদুদগী শন্নবা ইদুনা লোৎথোকচবনি ।

মনিপুরগী অনিশুবা নূপীলান্দা আসামগী থৌদাং

রাজকুমার [illegible] সিংহ

মনিপুরগী অহানবা নূপীলালগী মতাংদা ১৯০৭ ইংদা মনিপুরগী অহানবা নূপীলাল অমা থোকখরে মসিগী মতাংদা ওআহে দোক ওইনা খরদ পনবা চুমই হায়না খল্লি। করি ওআহেদিগী অহানবা নূপীলাল থোকখিবনো হায়রবু মখা খ হৌদবা মীওই থম্না এসিষ্ট্যান্ট পলিটিকেল এজেন্টকী বাংলো মৈ থাদুনা মরম ওইদুনা মনিপুরগী মতম অদুগী পলিটিকেল এজেন্টকী অমসুং ষ্টেটকী সুপারিনটেণ্ডেণ্ট লেফটেনেণ্ট কর্ণেল এইচ, সেণ্ট পি ম্যাক্সওয়েল, সি এস আইনা ইস্কালগী প্রজাশিংনা মপোং মচৈ পুথোক্নুনা। "ফোর্স লেবর"না মৈ চাকখিবা সাহেবকী বাংলো শাগদবনি হায়বা হুকুমগী মায়োক্তা হৌখিবা নূপীগী ইহান হানবা লানি। অচৌবা আন্দোলননি। নূপীলাল অসি লামুহাওবী দেবী, নিংথৌখোংজম মনিহাও মমার্শিচৌবা নূপীশিংনা লুচিংলমই, মখোয়দা নিপাশিং মাওশিনখি। নিপাশিংগী মনুংদা থোইদোক হেন্দোকনা মিং পনবা তারবদা মেগাজিৎ সিংহ, মতুম সিংহ, খংকোকপা সিংহ কালা সিংহ লোইতোম চাওবা সিংহ, অমসুং চমু সিংহগী মিং পনবা য়াই। নিপা মখোয় অসিমক নিংথেম মচামচাদি।

মথংদা থোকখিবা নূপীগী অচৌবা আন্দোলন অসিনা মনিপুরগী অনিশুবা নূপীলালনি। ইংকুমদা ১৯৩৯ মনিপুরদা চাক্তাংবা অমা থোকখি। মপান্দা চেং থাদোকপা লেপখি। ফোনৌ লাকপা মতমদা অথিংবা হুকুম অসি শোথোকখিবগা লোইন লোইননা মনিপুরদা ফে চেংগী মমল খংওআং ওআংখৎলে। মসিনা মরম ওইদুনা লৈবাক প্রজা পুম্নমক অওয়াবা ফোংশিন্ নংখি। চেং থাদোকপা অসিগী মারাংদা ১৯৩৯ ইংগী ডিসেম্বর তাং ১২দা দরবার ফম্লিংদা দরবার হোল মমাংদা নূপী ৪০০০ (লিশিং মরি) লোমতিনখি। ফৌ-চেংগী মমল থংহাক হানগৎলকপা অসি থিংনবা চেং মনিপুরগী মপান্দা থাদোকপগী হুকুম ককথৎপিয়ু হায়নুনা তিন্নমশিলবা নূপীশিং অদুনা দরবারদা লাউরমই। নূমিৎ অদুগী দরবার ফবা লোইংবা মতম অদুগী মনিপুর ষ্টেট দরবারগী প্রেসিডেণ্ট মি টি এ শার্প আই সি এসনা লাউথোক্লমই — শ্রীধাম নবদ্বীপতা লেংলম্বা মহারাজ সার চূড়াচান্দ সিংহগী অয়াবা লাওদ্রবদি ফৌ চেং মপান্দা থাদোকপগী হুকুম কক্কৎপা য়ারোইদে। দরবার হোল মমাংদা তিন্নমশিলবা নূপীশিং অদুনা নূমিৎ অদুমক্তদা ফৌ চেং মনিপুরগী মপান্দা থাদোকপগী হুকুম অদু থুনা ককথৎকদবনি হায়না

কয়া তম্বীশিনরমই। নুপীশিংনা কয়া তকশিনকপা অদুগী থাবা ওকদুনা দরবারগী প্রেসিডেন্ট মণামক টেলিগ্রাফ অফিসতা চৎলগা নবদ্বীপতা লৈখিবা মহারাজগী হুকুম টেলিগ্রামদা লোগাদ হায়দুনা টেলি-গ্রাফ অফিস হাপা লাকখি। নুপীশিং অদুসু মহাক্কী মতুং ইনখি। নবদ্বীপতা মহারাজদা টেলিগ্রাম তৌরিবগা প্রেসিডেন্টনা বাংলা তাম্না চৎলগে হায়দুনা চৌকিদগী হৌশিনক্লবদা নুপীশিং অদুনা মখোয়দি তৎলংদগী চরা হেন্নকানিবনি। অদুনা মহারাজগী হুকুম ফংদ্রিবা ফাওবা টেলিগ্রাফ অফিসতা লৈগে তারেমই। নুপীশিং অদুম, দরবারগী প্রেসিডেন্ট সাহেব অদুবু মপান্দা চৎথোকহল্লমদে। নমিৎ অদুগী নমিৎ য়ুংবা মতং পুং ১-৩০ তাবা মতমদা থোক্লিনা থোদোক অসিগী পাউচেক ফংবগা ৪ পুং আসাম রাইফেলসকী কমাণ্ডেন্ট মেজর বুলফিল্ড টেলিগ্রাফ অফিস তাম্না লাকই। তিয়রমলবা নুপীশিং অদুগী ঈবাং হায়া কল্লমই। নুংথিল পুং ২-৩০ তাবদা আসাম রাইফলসকী প্লেটুন অমা টেলিগ্রাফ অফিসতা থাংলরে। মোংহাই য়ৌশিল্লকলবা ফাওবা নুপীশিং অদু হল্লমদে। নুপীশিং অদুবু তকথেক্লবা হোংনবদা লোংথৈ তোকাশিংনা শুবদগী নুপী ২১ শোকপগী মনুংদা নুপী মতাগী ফিবম ফংতে হায়দুনা সিভিল হাসপাতালদা লাগ্রেংখি। ওআফম অসি সরকারগী মায়কৈদগী থোকপা পাট্টনি। প্রজাগী মায়কৈদগী থোরকপা পাউনা সিপাইশিং অদুনা নুপীশিং অদু তকথোকপদা বুটনা কাউথি। নোংমা তোক্লিংনা শুখি অমসুং মঙাইলা থিনবা হায়বা অসিনী। নুপী লুচিংবী ওয়া ফাজিন্দুনা জেলদা থমখি। নুপী লুচিংবী শিংগী মনুংদা লী থাবা মারবদি ওআহেংবম ওংবী তোংথোম্বী দেবী, (তোজো) লোংথোমব ওংবী

থোংআং দেবী ক্ষেত্রিমযুম ওংবী মুখী দেবী, থাংজাম ওংবী অমুবী দেবী লাইলোম, নিংতোম লৈপাকলৈ দেবী, কাবী দেবী, চিংতাখম নিংথোল ইবেমহল দেবী আরেকপম রজনী দেবী খাতোম্বী দেবী, অরিবম ও রী চাওবিতোন দেবীনচিংবগী মি পনবা য়াই।

হন্দক্কী নুপীলাল অসিগী মতংদা আসামগী থোদাং য়েংসি। ১৯৪০ ইংগী জানুয়ারীগী তাং ১৫ দা নওগাওদা হেমচন্দ্র বরুয়ানা সভাপতি ওইদুনা ফমাংখিবা আসাম প্রাদেশিক কংগ্রেস কমিটিগী মীফমদা ডিসেম্বরগী তাং ১২ দা ইম্ফালগী টেলিগ্রাফ অফিস মমাংদা নুপীশিংদা অশোক অপন থোকহনখিবা অদু অফিসকী ওইনা তনবা তৌনরবা দাবী তৌগা লোইননা মনিপুর প্রজাশিংনা শান্তি ওইনা অমসুং অহিংসাগী লমাদা চংশিন্দুনা আন্দোলন মখা চৎথনবা প্রজাশিংনা আপীল তৌবগী ওআরেপ লৌখি।

প্রজা সম্মেলনীগী মীহুৎশিংগা উনবদা মনিপুরগী মহা-রাজনা মথংগী চহীদগা ক্রীষ্টায়ান শেমদোক্লগনি অদুগা প্রজাশিংগী লমথুমগী ফিবম ফগৎহনবা থোরম কয়া পাইথংলগনি হায়না থাজবা শিরমই। আন্দোলন মখা তাম্না কয়া চৎথৎক্লবদা মহারাজনা আন্দোলন চৎথারবা মীওইশিংদা ওআনিং তৌরমই।

মনিপুর প্রজামণ্ডলগী সভাপতি হিজম ইরাবোৎ সিংহ জনুয়ারী তাং ৯ দা ফাখিবা অদু জামিনদা থাদোক্লমদে, মণিপুরগী ফিবম নোংমে-নোংমগী ফত্তবা হেন্গৎলমই। জানুয়ারীগী তাং ২৮ দা প্রজা নুপী নিপা লিশিং কয়া কোনুং তাম্না প্রসেসন চৎলমই। মণিপুরগী রাজনীতিগী লুচিংবা লাপল্ল ফাখি। মখোয়গী মনুংদা মণিপুর প্রজা সম্মেল-নীগী সেক্রেটারী তোম্পোক সিংহ মণিপুর মুথ লীগকী সভাপতি অমুশলুং, মেরা সিংহ, বিদুর

সিংহ, অঙো সিংহ মহাসভাগী মীওইশিং অসিসু ফাবনা লাওখি ।

১৯৪০ ইংগী ফেব্রুয়ারীগী তাং ৬ তা তিনসুকিয়াদা ফরাখিবা আসাম কংগ্রেস সোস্যালিষ্ট পার্টিগী মীফমদা স্টেট অথোরিটিবু নিন্দা তৌবগা লোইমনা আন্দোলন তৌরিবী নুপীশিংবু অভিনন্দন তৌরকখি। অদুগা ইরাবোৎপু থাদোক্নবা দাবীসু তৌরকখি ।

নিখিল মণিপুরী মহাসভাগী ওর্কিং কমিটিগী মেম্বর ললিত মাধব শর্মানা গৌহাটিদা চৎকুনা নুপীলালগী মতাংদা আসামগী রাজনীতিগী লুচিংবশিংদা ওখা তানখি অমসুং অসুম অরুবা মতং লাংদনবা মাসমগী প্রজাশিংদা আপীল তৌরমই ।

মণিপুর রাজ্য প্রজা উৎপীড়নর বিষয় বিবেচনা করিবর কারণে "সভা"— অচৌবা সভা অমা ফেব্রুয়ারীগী তাং ৯ ইরাই নুমিৎকী নুংথিলপুং ৫ তাবদা গৌহাটিগী কার্জন হোলদা কৌরমই। সভা অদু কৌথরশিংদি আসাম মহিলা সমিতিগী সম্পাদিকা হেমপ্রভা দাস অসম যুবক সংঘগী সভাপতি জগদীশচন্দ্র ঘোষ, অসম যুবক সংঘগী সম্পাদক হরেন্দ্রনাথ বরুয়া, অসম কংগ্রেস সোসিয়েলিষ্ট পার্টিগী মেম্বর সেক্রেটারী শ্রীমান প্রফুল্ল গোস্বামী অমসুং অসম ছাত্র সম্মিলনগী সহকারী সম্পাদক প্রভাত চন্দ্র বরুয়া মখোয় অসিনি।

গৌরীকান্ত তালুকদার এম,এল,এ, না সভাঅদুগী সভাপতি ওইখি। সভা অদুমা মণিপুরী নুপীশিংগী চৎথরিবা অন্দোলন অদুবু শোগৎখি অমসুং অতৈবা মতেং পাংগীনি হায়না লেপ্লখি ।

ফেব্রুয়ারীগী তাং ১০ থাংজা নুমিৎতা গুয়াহাটিগী কার্জন হোলবা নুংথিল পুং ৫ তাবদা অচৌবা সভা অমসু ফমখি। সভা অদু কৌথরবা মীওইশিংদি সেক্রেটারী অল আসাম প্রোগ্রেসিভ ইউথ এসোসিয়েশনগী সেক্রেটারী উপেন্দ্রনাথ শর্মা আসাম প্রভিন্সিয়েল ষ্টুডেন্টস ফেডারেশনগী সেক্রেটারী খগেন বরবরুয়া গৌহাটি লেবর য়ুনিয়নগী সেক্রেটারী হরেন কলিতা, মণিপুর ষ্টুডেন্টস ফেডারেশনগী সেক্রেটারী রনবীর সিংহ অমসুং হরিদাস ডেকা। রেডিকেল ইনষ্টিটিউটকী সহকারী সম্পাদক তারা মজুমদার, লাবন্য চৌধুরী, উমাকান্ত শর্মা, হেমেন্দ্রনাথ বরা গোলাপ হাজারিকা, আনন্দ সিংহ, নীলমণি সিংহ কামিনীবিধু সিংহ চন্দ্রজিৎ সিংহ, দেবাংশু সেনগুপ্ত, গোকুল মেধি প্রশান্ত গোস্বামী মলেন গোস্বামী, গৌরকিশোর সিংহ কুলধজ সিংহ, কালিনাথ শর্মা, চন্দ্র সিংহ, নগেন দত্ত, অরবিন্দ ঘোষ বরদা কুমার দাস ভূপেন মহন্ত মঙ্গী সিংহ টুলেশ্বর সিংহ গোবর্দ্ধন সিংহ, হেমেন্দ্র ভট্টাচার্য্য, ব্রজমোহন সিংহ, সর্বেশ্বর চক্রবর্ত্তী ধর্ম বরুয়া মধুমঙ্গল শর্মা, মাহল সিংহ অমসুং মহেন্দ্র সিংহ মখোয়শিং অসিনি।

সভা অদুদা দেবাংশু সেনগুপ্তনা সভাপতি ওইখি।

নিখিল মণিপুরী মহাসভাগী ওর্কিং কমিটিগী মেম্বর ললিত মাধব শর্মানা অথনবা বক্তা ওইরমই সভা অদুদা ওয়া তাংখৈশিং অতুগী মনুদা কে, বরবরা ইউ শর্মা নচিংবনি, সভা অদুদা তাখিবা ওয়ারোপশিংগী মনুংদা নেতা ইরাবোৎপু থাদোক্নবা মহারাজদা তকশিনবা, মণিপুরদা দায়িত্বশীল শাসন লিংখৎনবা দাবীবু শোগৎপা, নুপীশিংদা সঙ্গীননা থিনববু নিন্দা তৌবা। মদুগী অমত তৌবা, নীংতম লান্মীশিংবু অভিনন্দন তৌবা অমসুং মখোয়না হোৎনরিবা অদুবু শোগৎপা ওয়ারেপ তাখি। মণিপুরদা অওয়া অমা তাখিবশিংগী মতেং পাংনবা রিলিফ কমিটি অমা শেমখি, মদুগী সদস্যশিংদি দেবাংশু সেনগুপ্ত,

মনবীর সিংহ, কে থরথরা এল,এম, সিংহ অমসুং এইচ কলিতানি ।



"কৈ অমোমগী মপোক্তা"

টি, এইচ, অঞ্জনা

শামজরকপানি পুন্সি চুপ্পসি
নঙগী শৈনিনবা লৈকোন্দা ।
কালেন লৈপাক লৈগুম
শুক্কংনবী নঙগী লৈশাংকী মীনোক্পা
নু হুংনবী নঙগী লৈরাংগী লৈনম্মা
ডাইবংসে কুযোম্লম্বদা—
পাইজরম্মী ঐসু সাথপা তোরনা
অঙাংবা কুরাক ওইনা
ফজবা সুম্নগী হোজংদা
নুংশিলা থ্যানগী তপোবন্দা ।

হৌজিক্তি কৈদৌনি ?
ককওাওনখ্রে পুন্সি শুবুংগী লম্বীদা
কুইনবা চিংশাগী নোংজুমা
নওবু রৈথংখিবদা
নওনা পদংনখিবদা ।
নুংশিবা লৈনমদুনা মা থবা লম্মদমসিদা
শা নবা মনমতনা কুযাম্লবা তম্পাকসিদা
হানো চাবনা শিজ্জানবী শজিগী মপোক
ওনখ্রবনি ওসিদ মিৎকুপসিদা
শাহিং চাব কৈ অমোম
শুম্নগী—
হীংনবগী দমক
পুন্সিগী দমক ।

1. State Central Library is situated in the heart of the Capital, Imphal

2. Please pay a visit to the Library every time when you come to Manipur

3. It is a public property run by the Government of Manipur for public use

4. It is your duty to save her from maltreatment either by the Government or by the individual

5. The Library stands for preservation of culture and civilisation of a state or country

6. Library acts as a depository of knowledge

7. Every man is a volume only if you know how to read him

8. It is just a mirror of the state through which cultural, social political and economic condition may be arressed

9. The Central Library will be an apexbody entrusted with the Spread of library net work in the whole of Manipur one furtunate day

10. Library is a timple of knowledge and a sacred institution won by the Government for use of the public

মোইরাং কংলৈরোনগী পরোং

এল অশোক কুমার সিংহ

মনিপুরদা য়াম্না অতনবা মতম হায়রদি খৃষ্টনা পোকখ্রিস্ত চহী কয়াগীমমাংদগী মীওই কাংলুপ কয়ানা তোঙান তোঙানবা য়ায়ৈকদগী লৈবাক অসিদা চঙলক্লগা খুন্দা লৈতাদুনা লৈখিরমই। মতম অদুদা খুন্দা লৈতার্নগী মতুং অসি মরু ওইনা অওয়াংবা চীংগী মথক্তা খুন্দা লৈতাকুনা চুমলিং থুলিংদুনা লৈরমই। মসিগী মপুং ওইবা মরমদি তম্পাকতী লমদমশিং অসি য়াম্না কুংলমই অমসুং ঈশিংনা থম্মদুনা মীশিংনা খুন্দা লৈতাবগী থুদোং চাবা ফংলমদে। লৈবাক অসিদা খা সোংপোক এশিয়াগী শরুংকতা লৈরিবা লমদমশিং মরু ওইনা থাইলেন্দ, মালয়শিয়া, কোরিয়া, ভিয়েটনাম, সেন্ট্রল চাইনা মোঙ্গোলিয়া অমসুং তিবেত্তো বর্মানগী লমশিংদা লৈরিবা মীওই কাংলুপশিং অসিনা লৈবাক অসিদা খৃষ্টগী মমাং চহী কয়াগী মমাংদা মখোয়না তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা চাযথোক্তুনা খুন্দা লৈতাবা য়াবা মফম থিদুনা তোঙান মফমশিংদা য়ুমলিংথুলিংদুনা লৈখিরমই। পুরমকশিং অসিগী মনুং দা মনি পুরদা চঙলক্তুনা খুন্দা লৈতাখিবা কয়া অমসুং য়াওখি, মখোয়গী মনুংদা শানগী কাংলুপ অসি য়াম্না মপুংওইবা কাংলুপ অমনি। অদুগা অতোপ্পা থয়না তাইগী কাংলুপনি। শানশিং অসিমা সেন্ট্রল চাইনাদগী লাক্লগা কাংলুপ অনি থোক্না থারদোকদুনা আসাম অমসুং মনিপুরদা চংলক্তুনা খুন্দা লৈতাদুনা লৈখিরমই। আসামদা লৈরিবা অহোম হায়রিবা কাংলুপ অসি শানশিংগী কাংলুপনি। শানশিং অসি শিঙবা মপা মপুরু লাই ওইনা লাংপ কাংলুপনি। মৈতৈশিংনা শিংথবা মপামপু লাংপগী চংনগী অসি শানশিংগা কমিমত্তা থেপ্রবা লৈতে।

মসিগী মরোক লায়বা খুদমদি মনিপুরদা লৈরিবা উমং লাইশিং অসি ঐখোয়গী শিংথবা ইবুধৌশিং অমসুং ইবেনথৌশিং ওাক্তনী। মনিপুরদা লৈরিবা সালাই ৭গী কাংলুপ অসিমক মপা মপু লাংপা কাংলুপতদগী হৌরকপনি। হায়রসি তাকই। মোইরাংদা মতীক মওন লৈনা মাংগৈ ওাকপা লাই ওইনা থুরুমরিবা থাংজিং অসিসু মোইরাং শলাইগী থাইদগী পুক্তোক ওইবা মীশাক্র।

লৈবাক অসিগী চীংগী লমদমদা মীশিংনা খুন্দারক্নগী মতীক চাবা খুদম ওসি ফাওবদসু য়াংবা লৈতনা পেলরি। মরু ওইনা থাংজিং মাজিং কোবু ওয়াংবেন হায়রিবা লাইশিং অসিগী খুভম ওসি ফাওবদা অওয়াংবা চীংগী

মথক্রা লৈরিবা অসি য়াম্না লিয়বা মতমদা লাইশিং অসিনা লৈরবা মফম ঙাক্তনী। ময়ুওইনা লৈবাক অসিদা ঙসিমক লৈরিবা য়েক ৭ শালাই ৯ হায়দুনা লৈরিবসি অহানবদা লৈরমদে। কাঙথংদা নোংদা লাইরেন পথংবনা পানবা মতম অসিদা নিংথৌজা খুমন লুওয়াং অংঙোম মোইরাং খামবা ঙান বা শরাং লৈশাং, হায়রিগা শবাইশিং অসিগী মশা মশাগী লুচিংবা হাপতুনা মাগী মাগী লৈবাক থায়দোক্লদুনা মমিং তম্না লৈবাক ঙাক্লোন তৌনরমই। মমৈমংদা নিংথৌজাগী কাংলুপ অসিনা য়াম্না মতীক মহৌনা হেনগংলকপদগী শালাই পুমনমক নিংথৌজাগী মথাদা লৈখি।

মোইরাং কৌবা শাশাই অসিনা লৈবাক অসিগী খা নোংচুপ থংবা শয়ুক্তা মোইরাং হায়না খঙনরি মফম অসিদা খুন্দা লৈতাদুনা লৈখি। মোইরাংদা নিংথৌ ৫২ না মথং মথং পল্লুনা লৈবাক ঙাক্লোন চৎথরমই। লমদম অসি অরিবা মতমদা কেগে অমসুং ঙাংঙোই হায়না শয়ুক অনি থোক্লা খায়দোক্লমই। কেগে অমসুং ঙাংঙোই লৈরবদগী মমৈথংদদি কেগে মোইরাং হায়না খঙনখি। অদুগা থৌজিক্লা কেগে অমসুং ঙাংঙোই তেক্লগা মোইরাং হায়না মীয়াম্না খঙনরে।

মোইরাং থোনখিবা মতংবু অসুম্না ইরমই কেকে লৈকোইপুং অচৌবদা খোইয়ম লাইথোং শিন্না উমংলাই মহুৎ শিনবদ থিপিরেল থিরেল চাওয়োল, লৈকাচেং নোংকাচেং, নু কপাক, নুংচোমবা, মকুলোন, খোইমোম লাইরুপ পুম্লা মালেমদা অহোং অচাও চাদা নাউদা পুথোকপা ঙমদ্রবদা খোইয়ম লাইয়াম লেংনা তিম্না নোংপোক অপানবু পানথোইবীগা থোকহল্লসি হায়না লেপনখি। খোইয়ম মতৈ মনাউনা ঙেনা নৌনা শামবা মরম লমলেন মদাইমবু তৌবিও ঙেশাকৌহৌরে। খোইমরম মতৈ মনাউনা ভাইবঙ চাদা নাউদা পুথোক্লবা খোইম খোরি অহৌবনা খোরি নাওফম শানুনা হৌদোকখিবা মফমবু চাওগ্রি পুষ্ট কৌদুনা কেকেদা খুঙম লৈ হৌরে। অসুম্না লোইদাম থাবুম তরানি ঈফা ইমেন্নবা মকুংদা মপারি মোইরাং শাংখিরে। মপারি ফুইরবা মতুংদা তরা চাইন তম্নবা খালেই শৌউবা হৌদোককে হায়বগীদমক প্যামবা কৈনা অরথং শারেন নো শানা তিতি থং শমপোং খোইবা হৌদোকখি। ওয়াং কাল লাই পাথং ৭ লাইনুরা ৭ কা মপা মপা চাশিন্না লৈরেং শৈতাইদুনা লোইমোম ফৌবু থারকখি। মপারী চাইন তম্নবা খোইয়ূম লংবনা পু থাকখিবা শোইমোম মাগী কোলোময়বু মপারীগা চামনা মোইরাং ফৌ মিংথোনখি।

মোইরাংগী চাওরবা মফমঅমা মনিপুরগী ইতিহাসকী লমায়দা ময়েক লানা লৈরি। মোইরাংদা যাত্রা লিরবা মতমদগী লৈকাই নিপান থোক্ল খায়দোক্লমই মদুদি ঙাংখা লৈকাই, খোয়োন লৈকাই ঙাংলৌ শৈকাই, থাঙী লৈকাই, হীগা লৈকাই, ওকচিন লৈকাই চেংলৈ লৈকাই, য়াঙশু লৈকাই, ৮ অসিনি। মোইরাংদা খৈদেন মাপল লৈরমই মদুদি ঙাংখা কৈথেল খোয়োন কৈথেল থাঙী কৈথেল, ঙাংলৌ কৈথেল হীগা কৈথেল ওকচীন কৈথেল, চেংলৈ কৈথেল, অমসুং য়াঙশু কৈথেল ৯ অসিনি। মোইরাং কৌবা লমদম অসিদা এতীক মযাই লৈনা ঙসি ফাওবদা লৈরিদা থাংজিং হায়না খঙনরিবা মায়কৈগ ঙাকপা লাই অসিন মোইরাংদা খুন্দা লৈতাদুনা লৈখিবা মতাংবু অসুম্না ইরি কেকে নপুংকাই লম তরেং মকাইফম থুয়োন য়াঙপা নরয়নেং খোংয়োং লমতোম পাল সাংতোন লাইনৌতা লমকোয় ময়াংলেনতা খোতুকুমপাপু লেপনা

য়ুং। চেঙকাত্তুকুমপাসু হায়া খিমহৌপাত কমানো। মরোল ওনুরোল খুনপী শরাইহল লৈমরেন ওাংসপীনা ঊনপী পুরীং পীনা কোরো লনশাবনকী নয়্ খোইরম লাইয়িংখৌ চীংঙ্ নোংখৌ সোয়ারেন অওয়াং পাখং হোইরেনপাকী মপাগি নয়ু থাংচিং লাইমদু পলেম পীথাও শিনীপকীদমকপু চীংলেন নোংজাউখী। যোংপা খরুপ হৌউত্তা খোয়রম সংাইরোই চীঙ্ মহীশাং পুয়মক্তা পাউখেগন্দ্ হোয মহুবালা নোংপোক মালং হুম্মইনা খোইরম মচেঙ হকনা ওইনা হোঙ্কে খোন শোয়নপা কাচেং থা থোকতুকশাপ্ চাচননাপা। সনা লৈথাগ তোলে ং চিনাপানা কৈশংখুত্তা সুনা পাউথে পাপ্ হোয় য়াফপা চীড়ু লৈশ খেক ওয়াইপা থাংচং কোংরেন মিংখৌ য়াইপি পনলোই ত নপ না কোংৌ নোংমাতান্দগী—

লৈসং লৈলঙৌ ঙাকে য়না শাংকোই শংশাল তুথাই তোংনা মে ইকাই খিনথা শাপশু সনা চোঙজেন থান খেনগা নো হুন চৈবোরননা খকে থংচিং চী চ উ য়িয়া থুয়ান ঙাওথা মনাম খায় মালেম লৌঙ্রা শানা ঙাঙোই মপুং য়াইতা থুনথারকয়ে হায়তাপায় (মোইরাং নিংথৌরোল লমুবা লা ১০ ১ ও ভোগেশ্বর সিং) মহাককী ওয়াফম খরা অসিনা চীংঙ্ খাংজিং অসি চীঙ্ নোংনৌ য়ায়ারেন ওআং পাখং কোইরেনবগী মপরীনি। লৈশং খেকওয়াইবনি হ মবসি মরেক শেংনা ত কই। অসুম মপারী লৈশং খেকওয়াইবনা থংজিং হাযনা মিংখোম্মুনা মোইরাংদা লৈবাক ঙাকখিবা মতাংবু অসুম হায়রি, "মপাল পন থো চীংঙ্ নোংখৌ সোয়ারেন ওআং পাখং খোইরেনপানা মপারী লৈরাং খংয়োইলেনবা নোংহুপ তোমপাল নিংখোপু চিংঙ নভীক চেংগে হায়দুনা চেংলো শক উহন্দনা মাংখিএ হায়বগীদমক কেকে মাকংৌ তাকও হৌনা কৌএ। মপারী নোংখৌ খোয়রি হায়বা হৈনা মউ চাঙবা পামেল উচুং হকপনা মপল কোইরম লাইরি খোঁকী মাগ মখোঙ্নবু খিখিএ। অদুনোংগীবু চীংঙ্ মায়াজেং খোঙখুনাইরো তৌনা কৌএ। মপাল খোইরম নামুংবু চেংলো শক উহবগী কোয়না কোয়না খিখিএ অদুনোংগীবু লাইকাই অচনবও তৌনা কৌএ। মপল চীংঙ্ নোংখৌ সয়ারেনদি মা লম লৈরোমিংদা চেলো শংখোং শংবাননা পুনুং লায়োল লাকুম নৌনা লৈওবু নিখঙলদুরে। অদু নোংগীবু মাংখোন লাইনৌতারো তৌন কৌএ। চীংঙ্ নোংপৌ সোয়ারেন ওআং পাখং খোইরেন পানা ওআহমলকএ। পারি নংদি নপল থ্রীগী মার য়িখোঙ থুনবু করম খিখলো-বনো চীংঙ্ এরবু থঙনা খিথঙলবগী কোশোয় নমিং খোনবু কোয়রেল থংবসু কোয়রেল নি খৌ, চাউবসু কোয়রেন নিংখৌ শা বসু ময়ায় কোইরেন মি খৌ কোয়রেন অহুম খঙা পানফবা থা জিং কোয়রেন নিংখৌও কৌনা মিংখোনমরোও "মোইরাং নি খোরলৌ লমুবা লা ১৪।

অসুম চীংঙ্ থাংজিং অসিবু কেকে পোকপা সয়ারেন মোইরাং পোকপা কসারেন হায়না শৈথানৈ। মোইরাং লাংবুম অরিবা হায়নসু শৈরনৈ। থাংজিংনা লৈনুং য়ুচাখা চনু ঙাংশবী (থাংজীং কোইরেন লৈমা) পমদুনা ঙাংহুনখোক অমসুং ঙাংমীংশিং পোকই। মোইরাং কদাইদগী করম্না হোৎকপা অমসুং কমানা পেক্রকপগো হায়বগী মঙা দা উমংলোন পুয়াদা অসুম হায়মই। "ঙাইবঙ মপু কসা নোংখৌ শিদবনা লৈবাক চাউনব শেয়গে হায়বগীদমক অসিববু ঙাউখিলোইনাই কৌনা, অপান-ববু নুঙা মহামাবা কৌনা নুংমু তুমদা মাঙদা মঙঙা য়াহিপ চাকচা ওমহল্লে। মোইরাং লাই পোকলে

অসিবনা অচাংবা কৌনা নোংচুপতা কোয়থিএ, সনথোঙ লাইনিংথৌসু মহাক্কে মোইরাং লাই কৌবসু মহাক্কে।"

লৈহৌ নাউফমলোন পুরদা অসুম্ন ইরি, কুমু সিদবনা তাইবঙ পানবা মশক থোক্লা চিংনু থম্ন অহমনু অশ্মনু, তেংনৌনু, তোনথাংনু থেরেরোংবা চনু লাইরেম্মা ওরেং থোকহল্লে। নিপাদি ওানবা কৌনা থোরল্লে। খুমলেপ্পগী ওঙা হায়গে অহানবদা ওানবনা লেপএ। ওানবনা খুম লেপখিবা মফমু মোইরাং কংলৈরোন লমযুবনা অসুম্না ইরি, "চীং মঙনা কোরৌ ওআংবা কোরৌ নোংলৈরদগী চীঙথদ নত্তে ওন থোইরম নশক হোংনা কেকে থাংজিং সরেং চীংপুক চীংশামৈ ইনা কেকে ঙা খা মরাই থারনা খুন্দারকৈঙদা ককচেং লুচাউবচীনা মথক পুঙগা থোল মথা থোংগাতৌনা মালেম থৌরৈ লৈচেন হবমু ওানবা থনু লাইহকপা নঙনা মিংয়েং নাংশঙবমু হানবা খুনুং লাইহকপা নঙনা মিংয়েং সাথৈরবগী কংলৈ অসিবু লমদম ফৈএ মালেম লৈমরোনবু নঙিঙেনে হায়না পুঙ-থঙথিএ।'

কায়লোল কৌবা লাইরিত্তা ওানবদগী লাইশিং লন্দোকখিবগী মতাংদা অপুম্ন ইরি, 'আনবা ওআনে, ওানবা লৈচিবা চিংক্রবা নিংথৌ কাংবা কাংথন লৈমা তারিনু অমিনা হায়বদি কোংকোই তৌমা, রাংমা তেশারোং উরেন থুবা উরেল হনবা, ইরেম থাবী লংবা রাপলনা পোকএ। লংবনা মোইরাগা লাংতেগা পোকএ। মখোয়শিং অসিদি পাথংবগী মমাঙ চক অমরক্তা পাল্লমএ। লাইশ্রা ভরেং মানা সলাই থাইলোকখিদি লৈকক লৈরায়েল চনু লাইগ্রনা পাথংবম থোক্লে, নিংথেম পোকএ। সংচিবীদি চিংনুনে সজি থোক্লে মোইরাং পোকএ।

মোইরাংগী হোরকফমদি লৈফুরেল চনুনা মুকে লৈচৌক্লেন চনুমা সনা খিং খিং লাংবা লৈনুং মৃৎমোই চনুনা উরেলহনবা, উরেল থুনা লিমুং মৃচাঙ্গ চনু ওাংসাবীনা ওাংথদ্রোকলে, ওাংনিংশিংহন পোকএ। মোইরাংগী নি থৌরেল হোই। ওাংনিংসিং, হানসা ফাংলীক্লাই রোইবা নাবোঙ মরাখা অমসুং সুমুচান-বিরবা নিংথৌ তরেংমা অসিদি লাইগী নিংথৌনি হায়না ইরমই। নিংথৌ তাংরং অসিবু ইতিহাসকী মমাং লোইনা পানবা মঙমনি হায়না লৌবা য়াই।

লাইশিংগী মতুংদ পানবা অহানবা মীগী নিংথৌ ফাং ফাং পোংলেন হনবনা পানখিবা মতম অসিদগী মোইরাগী ইতিহাস হৌরি। ফাং ফাং নোংলেন-হনবনা পানখিবা মতম অসি চাউবাক্লা থক্তগী মমাং চহী ৫২ মুন্তনি। মহাককী মতুমদা পানখিবা পুরিক্লাই ইরাং তেলহৈবগী মচা শৌবোম শংনৌবা (চাউবা শৌবোম ওয়া) না থাবা নুজে বমু মারথীবা পীদুনা পাথংবমু মৈতৈ নিংথৌ ওইহনখি। নোংদা লাইরেন পাথংবমু থ ৩০ শুবদা পানখিবনা ফাং ফাংদি মাগী মমাংদা পনখিবা মোইরাং নি থৌনি।

ফাং ফাংনা পানবা মতম অসিদা লংবা রাথায়োর অরেংমা লৈথোং বুগাইরমবু থোয়াল মোরি অমাই বনা লৈতাই নোংদাই খি। মোইরাং লৈকই ৮ থোক্লা থারদোক্না লাকপা নিপাল অমসুং ফমদো ৫৪ হাপ্লগা নিংথৌ অসিনা থারম লাংতে অমসুং হাওরং খুলদা লান্দাখি। লাংতে অমসুং হাওরং খুল লোয় চনখি। ফাং ফাংনা পল্লৈঙদা থোয়াই নুংজেংবম পিনা নুমিৎ কাপগৈগী নুমিৎ মচু পশায় কেকে অমাইবা মোরি ফাওবিরাচা লাংজেং লাইথেবনা তাউথংখি। নুমিৎ মচু পশায় চুপনা মো ইথেমখি। লংবা রাইহৈবগী থাবী রাইতবীগা মহৈ ওানখি। লংবনা মহৈ হেন্দুনা লিরবা থাবীবু লংবা মীংহিং রাইনা হিংগৎহনখি।

নিংথৌ হাউক অসিন ফাওবা অহো লাবাল্লাবী শানৌ অসিগী নুংশি ... না ওমাবীবু কুম সাওরদা লাক্লৰ্ক

পুরিক্রাই ফাং ফা ... ইসাং ওনশিনবা নিংথৌ ওই নিংথৌ অসিনা নুংতক খুজা লান্দাদুনা থাবম নুংতেক লোমচনথি। নিংথৌ অসিগী মপারি লৌবোন লামৌবনা (চাউবা লৌবোন লামৌবা) মৈতৈ ফম্বাশদা পানবা-থাবা নুংজেংবনু হাংশগা মতম কুইনা মোইরাংদা লোক্তুনা মৈলরম নোংদা লাইরেন পাখংবনু মৈতৈ নিংথৌ ওইহনখি। নিংথৌ অসিগী হাকুম্বা শেনজুমহা অমসুং থো না লাইশোরেম্বা শাবী লানৌ অনিনা তাইথ দা অপায নুংশিং তরীমাবা চীঙকুগী লিলা লামখি।

পুরিকই তেলহৈ হগী মত দা মপারি লাইকাচে মা নিংথৌ ওই। নিংথৌ লাইকা চেংনা উয়া ঙাক্তোইবা পোকই। উয়া ঙাংজোইসনা নিংথৌ ওইবা মতমদা ঙানবগা শংলৌ যজীগা শানিগা কায়না নুংশি ওঅরীবু নোকখি। নিংথৌ উয়া ঙাক্তোইবনা কেগে বোক ঙালিঙদা লোকথা হাওখা থুমন অমসুং মোইরাং মৈবাক্তা চঙনং পাবগী লীক্লাং লোইপোং হাবথব অমত্তা হাবক্তবদগী লোংমাই মুমোই পুজিবগা কেকে মৈলকোই মপুগা অনি পুমা লোকথা হাওথাদা লান্দানুমা লোকথা নিংথৌ য়েনশোইবনু শোই অমুক হাহনখি। থুমন মোইরা অনিগী হীনা লোওমা ফাইনা বং, লানগঙ অনি লোথনা ফাইনা লারমী গায়বগীদমক অরোং সঙলাংমৈ কৌখি।

লমা লোংদা পাদথা লোংবান ফানডেক নিংথৌ খেরুইবনা মকু লোংমাইনিংথৌ মুমোই পুজিবনু লাংকে থৌরাজুবগীদমক থুমন মোইরাং অনিমা পুমা লান্দারকপদগী থুরোম হাওবা লয়াংলোংদা থুদুম চনখি। ফানডেক লোক্লাইবনু মায়খীবা পীদুনা লোই চনখি। লানফগসিদা খুমন্না লাগ পাংখি হারবগা লোংলগা ফানডেক নিংথৌ লোক্লাইবমা মোইরাং ককলেন অখোবনু হাংজুনবা থাবকপা লুওক্তাং লয়োই তরেংনা ককলেনবু কিথদগী মাগী ঙাক্লোয় হাংনু কৈশাতোম্বীগী লুরেল কখি। মাথনৌগীদমক মংশং তামবদা নোংথান লাম্লোর তরেৎমক ফক্রেমা মওক কত্নুনা হাংখি অদুগা মশানৌ কৈশিতোম্বীগী লুথা হাখি।

পুরিক্রাই মা লাথ,বনা পানবা মতমদা কেগে মোইরাংদা খোয়োল শাগে মুংঙবনু খোয়োল হাওবা লাইরবা শিয়ুদুনা তেবী তেনৌ ওঅ ওঅযোঙ (শঙ হন্দুনা ইরাং থৌনিখি) হাওবা অমসুং কেনু লংঙ তোপা অনিনা চীংঙু লিলা লামখি। মৈতৈ নিংথৌ মোইরেন তোংশোক (থুয়োই তোংশোক) না পুরিক্রাই মা লাথবাগী মমে য় মোইরেন তোংশেকপীবু লৌনবগীদমক লাম্লারমখি। তোক্তাক পাংমাইদা মৈতৈ মোইরাং লামথেংখি। মৈতৈ নিংথৌনা ঙমদুনা মৈলমা মোইরেন তোংশেক পী লৌখি।

পুরিক্রাই লাইরং পুজিবনা পানবা মতমদা হাওরৈথা থংবদা লোইবী লমকাংদা লন্দোরমই। মতম অসিদা থুয়োই তোংশোককী মপারি মোইমো বা অমসুং তাউথিমোং অনিনা তুরেল তেংলকপদা লোইবী হাওযুম মরৈমাবী হৌয়ে য়োংয়িংনবী ফেংলৌ তোনবা নু মমাইদা ওআই-নুংলথবু লমওক্লখি। লানফম অসিদা অনাল লোই চনখি, লমকাং তুয়েনবী তুম্মনবা ফদুনা লোই চনখি। মথংদা মপারি থাংওআয় ফোংতিংহনবনা নিংথৌ ওই থাংওআয় ফোংতিং হনবনা মপারি চোথে থাংওআয় পাথ বা পোকই।

পুরিক্রাই বীরি মাচাউপা অসিবু চোথে থাংওআই

পথংবা হায়লসু কৌনৈ । ইহাক্না লৈমা সনুরেমীবু মুংশি ওয়াইথু নরবা মতুংদা মপুরোইবা চোথে থাংওয়ার পাথংবদি শিখি । লৈমা শুনালৈনা মপুরাইগী শিরবা হকচাংবু থাদোক্নুনা লাইরবাক তান্না চংশনখি । মতুংদা মপুরোইবগী অশিনা হকচাংবু থাদোক্নুনা শওদুনা লৈবগী চীংজ্ খোইয়ুম থোংঙ্গাবন অহনবনা চোথে থাংওয়াই পাথংববু অমুক তিগংহন্দুনা তাইবংপান্দা অমুক হলকখি । মতুংদা নীংথি মচাউবা কোনা মিংহোংখি । নিংথৌ অশিগী হাকচা কোইরেং চানবাঁই চনখি । কোউবি নুংমাংচাং অমৌবগী হাংখি । অদগা চোথে কোইচনখি চোথে নিংথৌ নাক্না লাচাউ্বা থাখি । চোথে থাওঅংই পথংবনা কোবরু চীংদা কোনুং লেমদুনা পান্নমমী মোইরাংদগী কোবু পানো চংপদা লাকৌ পানুংগা অমা লমথাংদা থোংনদুনা তাংখি দা অচৌবা লাইনা চাউরবী হায়বগীদমক মফম অদুবু নাচৌ হায়না খোনখি ।

লাথ দা পুরিক্লাই নুনাং নিংথৌ তোনবনা নিংথৌ ওই । নিংথৌ অসিগী হাক্তা পেমা লমগানবা খমনুং মাইখং কোনু শাবি লানৌ অনিগী ওয়ারি থোকখি । মতাং অসিবু পেনা লকপা মোইরাং কংলৈরোল লকপা ওজাশিংনা কোয়াইর কৌবি লৈনাক্তা প্রধান পানথৈ থাদুনা কক্লে । মথংদা থোংলৈ লানথবনা নিংথৌ ওই । পুরিক্লাই থোংথৈ লানথাবগী মতুংদা উরা কোংরাবনা নিংথৌ ওই । নিংথৌ অসিগী হাক্তা কংন্নই মরেং লাংবু মায়থীবা পীদুনা লোই চনখি । নিংথৌশিংগী হাক্তা হৈরেম খুলজান নিংথৌ চীংচরোং থাম্বববু খোমী চীন ইবনা হাক্নুনা মপন মোইরাং কোনবগী মশং তানখি । নিংথৌ উরা কোংরাবগী হাক্তা ওয়াংসেন পুংশিং হনবা অমসুং চকপম চনু মিশাহৈবী শাবি-লানৌ অনিগী নুংশি পেংনা কায়না ওয়ারী থোকখি ।

উরা কোংরাবগী মতুংদা খিয়াং মিচাউবনা নিংথৌ ওই । নিংথৌ খিয়াং মিচাউবগী মতুংদা কোকুওয়া নুংহুইওঅংনা নিংথৌ ওই । মথংদা পুরিক্লাই চলনবনা নিংথৌ ওই । নিংথৌ চলনবগী মতুংদা পুরিক্লাই থগা ঈখেল লানথবনা নিংথৌ ওই । নিংথৌ অসিগী হাক্তা থোংঙাক মইরল অমুক তৌথোক্নুনা লুচনখি । মথংদা নিংথৌ লাংতোন খুবনা নিংথৌ ওই নিংথৌ লাংতোন খুবগী মথংদা লাইচৌং থু উরা তেলহৈদনা নিংথৌ ওই । মথংদা মানবনা নিংথৌ ওই মানবগী মথংদা কোইরেম নিংথৌবনা নিংথৌ ওই ।

পুরিক্লাই কোইরেম নিংথৌগী তুংদা কাবা পুরাংনা নিংথৌ ওই । কাবা পুরানা পান্নরিং মতমদা থুনন নিংথৌ যোইথোং ডাইবী মচা অহগ লীক্লংগী ওয়াথোকগী থংনদুনা লগোমতোন লৌথীবনা মপাগ্রা নুংঙাই অহনববু চাংথংবদা নুংগোব মাইমদি মোইরাংদা চেলক্নুনা লৈখি । মোইরাংগী ফমদো ফমলোন্দা খদোকপা ফম ওইখি পংকলাই কাবা পুরাংগো শরী ওয়াশক্লদুনা মোইরাং কসা থাদনা লৈখি । কেকে পুরিক্ল ইদি মনাউ নিপা ইথাই কাইরবদা নিংথৌ ফাবাল শিনুবম্রগী থাম্না কয়া লিংথী চীংদা লাই নীদুনা লৈখি ।

ইথাই কাইরেবগী হাক্তক অসিদা মমোম কুমজরেমী অমসুং য়াংহনবা শাবী লানৌ অনিগীশেংনা কায়না ওয়ারী থোকখিববু ইথাইপুনম চীং হায়না শিং ফাওবা মাংবা তাবা লৈজনা লৈরি । নিংথৌ ইথাই কাইরেমগী পাসবা মতমদা মোইরাং লৈব মাইতোন লৈবা থাংনৈবী মেনতাক লমথোকনৈ, পুইতু খোংজোংদা ওইখোং নিংথৌ থোংবা মপারি নিংথৌবনা তাইখোং

পোংলেন লোইপোংনা ঙমক্তক ওহনু পাম্বাকৈ য়াওয়ন্তে মপন পনখোঙবসু লাক্তে হায়না শাউদুনা মপারি নিংথৌ থবু পুরিকলাই ইথাই কাইরেম্বগী হাংখি। নিংথৌই খুনেংঙা ওইনাথ্য লৈবাক্তগী লাপোই শাথীকলুই।

ইথাই কাইরেম্বগী মথংদা সাংতোন লাই নাউনা থনা নিংথৌ লিঙ্গাজেংখদ্ হাংখি। কথো বাপী হুইনা লাসৈ লানথোরাংবদ্ হাক্তনা তুমু লাই চনখি। খুনয় মখু মাকতা (থৌবাল) লেংঙাই নিংথৌ পুন্সিবগা লানথোকনবদা শিখি। মথংদা পুরিকালেই শোংলেম লানয়না নিংথৌ ওই। খুমন নিংথৌ নোংঙাই পুন্সিবগা নিংথৌ লোংলেন লানথৃবগা মিনা লোল্ডাতা লানমখেংনদুনা খুমেন নিংথৌ পুনসিবদ্ মাথ-থীবা পিখি। মপন শাংতোবগী মংসং তান্দুনা নোংঙাই পুন্সিবদ্ হাংখি। নিংথৌ অসিনা লানথা পাংথৌদুনা খুমন লৈথা তুম কাথানা লান্দারকপথদ্ মাযথীবা পিখী

তোনশী (ইশৈ) — ও, ইমাগী ইবুঙো
ইমাগী মিৎয়া
কদায়দনো নঙবু—
ইমাগী নাকৃত্তা অমুকত্তা লাকখো।
কোরৌ নুমিৎ থোরক্লে
শিনথুবা চৎলসি ইমাগ
ইমাগী চ য় ফিজদা য়োমলে চয়োম্

লাকখো অমুকতা ইমাগী নাকতা ।।
তিল্লরে নয়েঙ নমান্নবশিং
য়েংলয়ো মিংকী কুমৈ
খনশেনবুংদা কন্দুনা
মুক্কা-কাংজৈ শানরি মরাম ।
ও, ইমাগী ইবুঙো কৌরি ইমান
কদায়দনো নঙবু,
ইমাগী নাকতা লাকখো অমুকতা ।।

(পুং-কোরতালগী মখোন তপথিবা)

শিখাচাও—শম্মানদা তিল্লবা মীওয় মরামসে চিরো-ৎপাংকীনি, । গুলি পানুনা শোকথিবা তোম্বা নত্রগা য়ুমজাওবা মখোয় অানগী মনুংদা কনাগুম্বা । অমা শিরম্মনি । মরাম লাক্‌লিবসে অাশিবা পোৎলো-ইদগী, লাকপানি ।

তেমবাবু—কাই অমাত্তু নত্তে থাপ্‌ত্রা উরিবশে কাই অানান । তোম্বা খুমজাওয়া মখোয় অান শিরম্বা তারে । চৎলসি ঐখোয়সু— তোখীরাইগী অাশিবা হকচাং পুদুনা শম্মানদা । (শম্মানরোমদা চৎথিবা)

তোমচা—কনা দুম্বি অমা পেদুনা অাওবা লোমদগী লাক্‌লিবসে রেংউ । শিখাচাও

তেমবাবু মান্নলি । অয়ুক মেন্দাসদা মখোয় অানিনা লাক্‌লিবসে কদায়দগী ওইরবনো খংদে । য়েংউ য়েংউ শম্মানওয়া লাকলে ।

তেমবাবু— তোখীরাই তোম্বা, য়ুমজাওয়াগী ঈ লেমনা মাংহনবা য়াদে । মখোয়গী মথৌন মনিনুজেন মীওয় কয়ান তম্না নিঙাই ওইরি । ঙাস ঐখোয় মরামসু ওয়াশক লৌরাশ— তোখীরাই, তোম্বা, য়ুমজাওয়াগী মোঙ-ফমদা, লেপ্পুনা । শিবা য়া'দ্র । সমাজকী মফমদা ঐখোয়গী ওয়াশক কয়া লৈরি । হিংমিন্নখিশি হিংমিন খাশি ঐখোয় মযাম পুন্না । ঐখোয়গী লালুহো লেপ্পা য়াদ্রি । সমাজকী, দেশকী দমক অতৈ থওয়াই থাবদ কিবরোইদি । তোখীরাই, তোম্বা, য়ুমজাওয়া ঐখোয়গীদমক মাঙদা ঙাইরি । চৎলসি লানফমদা— । চৎলসি চৎলসি মরাম । লালুহৌনি পুন্সিগী পুন্সিগী লালুহৌনি ।

তোমচা— সমাজকী য়েক্লাবশিং, দেশকীসু য়েক্লাবনি । য়েক্লাবশিংগী মায়োকতা ঙঙাইফদবা লালুহো শোমদ্রাবনি । অথ য়াওদনা হিংনা লেবা কানদে— । হিংনাবগী নমেন অনাদ হিংমমবগী পান্দৌদ লালুহৌনি ।

তেমবাবু— তোখীরাই তোম্বা, য়ুমজাওয়া নখোয়বু থাদোকপা ঙম্মোয় । ঙম্মোয় অতৈ ফাওবা নখোয়বু । লাকখো লাকখো মথান অমুক পুন্না হিংমিনখিশ । হিংমিন-খিশি হিংমিন্নখিশি ।

শক্‌তাক্‌চবা

নিপাগী শক্তম:—

১। মেরাচাও— তোর্বান খুনগী সর্দার ।
২। সমুজাও— থাং, তা চৎবা অহল অমা ।
৩। কালেনজাও— খুনগী লাইবা ।
৪। তেমবাবু— ন্যাশ্রিতপাশ তৌবা নহা মচা ।
৫। তোখীরাই— মৈতৈ য়ুমদা চাওবা চিংমী মচা ।
৬। থম্বৌয়া— তেমবাবুগী মচুপ ।
৭। ইন্সপেক্টর— বিশালগড় থানাগী দারোগা ।
৮। শিখাচাও— চাওখোইগী মচানিপা ।
৯। তোমচা— খুনগী নামোন ।

নুপীগী শক্তম :—

১। নুমিৎলৈ—মেরাচাওগী মচনু লৈমা ।
২। তোনম্বা— লম্বাখোবী নুপী ।

অমকদ মীতৈ খুনতারবা
(সম্লপ্পা ওআরী সীংবুন)

কাবাম ইবুংঙোহল খুমনচা

তেখাও লৈবাক 'অসম' অমাং নোংপোক ভারতকী মনুং ফংরুপ-কাংলুপ নাং লাইনীং-লীচৎ পমনমককী তানফম অমসুং মহৌসা খুসেমগী ফজবনা মীপুম খুদিং-মকপু সম্নাংনিঙাই ওইরিদা মীচং মীখা নাইদবা লৈবাকনি। লৈবাকসিদা 'মীতৈ লৈবাক' (মণিপুর) দগী মসাগী নাৎ চৎনবী কয়া লোয়নয়কতুনা মফম কয়াদ মীতৈ খুনদাখি।

ওসিদগী চহি কয়াগী মমাঙদা মীতৈ নিংথৌ কয়ানা তুংগী সুরোলমা অঙ্ভানা লৈমন ননবা চানিং চিংবা অমসুং মরূপ ওইবগী মরী চেংসিন নসগীদমক তোঙানবা লৈবাক কয়াগী নিংথৌগা থাউ-তাসন ওইনদনা মরী থমখিরমদা মীতৈ নিংথৌরোল চৈথারোল কুম্বাবা অমসুং অসম বুরনজীনচিংগা পুনাগী নিংথৌরোল কয়াদ ইরমবা থেংনে।

মমাঙতংদা লৈবাক অসিগা লম অতৈ অতৈগা রাম্বনা মরী লৈনরম্মী। ভারত অমসং নোংচুপলোমগী মীনা নোংপোক অমসুং মৈরম্মাংদা থা নোংপোক-লোমদা) নোংপোক থোংগোল অসামনচি বা লৈবাকতা চংপা তারবদি ম নদগী ফাওদুনা চৎনরমই।১ লৈবাক অসিদা নোংপোক নোংচুপ থা অৱ থোংমদগী মী কয়া কয়াসে লাকতুনা লৈখি অদুগা লম অসিদগী মী কয়া অমসু মণিপুরগী থাংমদা চৎখি অমসুং কনা কনাগুম্বনা খুন্দাদুনা লৈখি হায়বসি ঐখোয়না খুদোকলোন লাইরিক পোইরেতোন খুদোকপা, নোংচুপ হারম নোংপোক হাবম মথাং তেখাউ লোন কাদিসালোন, উখোংদাং লোয়চিংবা লাইরিক কয়াদগী থওবা ওময়ই।২

মীতৈ লৈবাক 'মণিপুর' অমসুং 'অসম'গা লৈবাক অনিগী মরকতা নকসিনবা মরী (খৃ ১৫৯৭ ১৫৩৯) চহিরোন অনিদগী লৈনরকপনি হায়বা যাই। আহোম নিংথৌ চাওফা চুহুংমুং (দীহিঙিয়া নিংথৌ) অমসুং মীতৈ নিংথৌ কবোমবা সনাহাক-থকতা (খৃ ১৫১৭-৪১) উাই ওইনরমই।৩ খৃঃ ১৫৩৬দা আহোম নিংথৌদা মীতৈ নিংথৌনা 'মচা ইবেমা অমা' খুদোল ওইনা থাজখি।৪ আহোম নিংথৌনসু অওংবা অটনগা লোয়ননা মীতৈ নিংথৌ মচাইবেমা অমা খুদোল তমখি।৫ চৈথারোল কুম্বাবা অমসুং আহোম বুরনজীনা পনলিবা অসি মীতৈ নিংথৌ কবোমবাবা অমসুং আহোম নিংথৌ চাওফাচুহুংমুং সনাহাকথকতা হায়বসে থকতা রাজমোহন নাথনা হায়রিবা অসিনা খুদমনি। মীতৈ নিংথৌ কবোম্বনা সনাহাকথকতা খৃ ১৫৩৬ দা মীতৈ লৈবাক অমসুং তেখাও লৈবাক অনিগী মরকতা চংথোক চংসিন খুদাংচানবা লম্বী সেম্বা হৌখি।৬ রকম অসিমক চৈথারোল কুম্বাবনা ফজনা লোগংলি।৭ মীতৈ নিংথৌ চলামবনা (খৃঃ ১৫৪৫-৬১) কামরূপ নিংথৌগী মচা ইবেমা লুহোংখি। লোয়ননা কামরূপ নিংথৌগী মচা ইবেমা

ভূরোংবা মীতৈশিংগী মীতৈ নিংথৌ মুবংবা খৃ:(১৫৬১-৭৯) দা বার্মা, ত্রিপুরা অমসুং অসমদ চংশিল্লকখি ।৮

ব্রহ্মপুত্র তম্পাক —মীতৈ-শিবসাগর (মগলুঘাট)

Francis Hamilton না হায়রে "The Swarge Deves, or Kings of Assam, have had many alliances with the Rajas of Manipur and frequent Intermarriages with that family.৯

আহোম-মীতৈ (অসম-মণিপুর) মরকতা হায়না মরী নকশিনরকপা মতমদা আহোম স্বর্গদেও চাওফুরোমকা (রাজেশ্বর সিংহ) (খৃ: ১৭৫৬-৬৯) অমসুং মীতৈ নিংথৌ মাওজিজেম চিংথংখোম্বা (কার্তিনিংথৌ ভাগ্য চন্দ্র) অনিগী সম্বন্ধ খক্তগী হৌখি। বার্মাগী নিংথৌ সিনবিসিন (Hsinbyshin) না (খৃ: ১৭৬৩ ৭৬) দা স্যাম (থাইলেন্ড) অমসুং মণিপুরদা লান্দা-নিংখি।১০ চৈথারোল কুম্বাবগী মুখংইনদা বার্মাগী নিংথৌনা মণিপুরদা মাকাইংগী খৃ: ১৭৬৫ দা লান-দাবকপদা থাংবা তুরুপুনা কাছাড়রোমদা থাওরগা আহোম কাংনা অমনা লেংখি।১১ আহোম নিংথৌ স্বর্গদেও রাজেশ্বরনা মীতৈ নিংথৌবু ইকাই খুম্নখি, লোয়-নবা লান মতেং পাংখি। মা তুংগীকাও মকান্নবা মরী চেংশিনবগীদমক মরাদুং লোয়াবা (গৌরশ্যাম) গী মচা ইবেম্মা কুরংগনয়নীবু অহং-অহৈনদা লোয়ননা আহোম স্বর্গদেওদা থাখি। কুরংগনয়নীগা লোইনবা-কপা মীতৈ পূরমক সিচ তুরেল মপানদা ভাবা মফমদাই চৈথংগী মনাওদা লৈবা মীনামাকি খুদম খুনদাইখি। মফম অমুবু হৌজিক্সু 'মগলুঘাট' মীতৈ ভাফম হায়না খঙনরি।১২ মীতৈবু আহোমনা 'মগলু' হায়না খঙৈ অসমীয়াবু মীতৈনা 'তেখাও' হায়না খঙৈ। মসি 'মিথৌ' কুরেলগী মনাকতা তাকসিংবু তেখাও' হায়না খঙনখিবনি। মেইটৈ সাহাবনা 'মগলুঘাট'।১৩ অসিবু 'মগলুহাট' হায়রবসি মীতৈ কোইং হায়রি। কুরংগনয়-নীগী মীংদা গৌরীসাগর মনাকতা 'মগলু অইরেকপ পুখুরী।১৪ হায়রবসি মীতৈ মিত্তালগী পুখ্রী কৌবা অমসু তোইনখি।

হিস্টোরিকেল মফম অইরবা মগলুঘাটকি মীতৈ পূরমক মফম শাংনা মীতৈ লৈথাক্কা নরি লৈমরকতবদা লাং, লোন চংশরী পূমনমক ভিলসিনখিবুমা খোংচৌবা ফদকম, পীরহৌবা ফদকম নচিংবা মিথোল লোপুনা তেখাও ওমখরে।৬ মীতৈ মমালোল লোনজমগী পান্দম লৈরাখিবুবা অহঙসিংনা হৌসিসু তেংথরি— 'অৈখোয়গী ইপা-ইপু মীতৈনি, মীতৈগী 'ঈ'গা অৈখোয়গী 'ঈ'গা অমত্তনি। হৌসুমীতৈ ইচিল-ইনাউনা থোইদোকপগী অৈখোয় মীতৈ ওনগনি। হৌজিকসু চুমদাক ৪০(নিফু) মেন্দা লৈরি।

পাম্বৈ লৈজরবা মীতৈসিংসিগী তেংথা কমানা ভাবগনি ? মীতৈ লৈপাকপি থংমদা খুন্দাখুনা লৈরিবা মীতৈ পূরমকপু কন্নবা ফীভমদা লৈরি কুপনা রেংশিনবিবা, ঈপাউ লোনপুনা সোনংবা ভগাইবনখনি।

শিবসাগর ডিস্ট্রিক্ট মনুংথেমনা খুন্দাখুনা লৈরিবা মীতৈ খুন হায়রম্বা, থরকোলাপ ভারিবা মীতৈ ইচিন ইনাওসিংসি অদুতৈ 'মগলুঘাট' লাকপা মীতৈসিংগী মচা মসু নত্তে খুদম লাকপনি হায়রি। অসিগী অসেংবা মেৎরি হৌজিকফাওবা পুথোকপা ওয়রি। হৌজিক শিবসাগর টাউনদা 'আসাম স্টেট ট্রান্সপোর্ট' অফিস লৈরিবা মফম অসি মফম অমদা মণিপুরী রোড হায়না খঙনরবাই হায়না অহঙসিংনা তাকপিরকই। মফমসিদা

মীতৈ লানমীগী অমুম অহোমসিং-গী মচা মসুসিংনা তুং খোইনা থুত্তাখিবা অসি মীতৈ নিংথৌ নাওজিঙেন চিংথংখোম্বা (কার্ত্তা নিংথৌ ভাগ্যচন্দ্র) অমসুং অহোম নিংথৌ গৌরিনাথ সিংহ (খৃ ১৭৮০—৯৫) অনিগী সনাহাকথককতনি থাজনরি।
মোরামমীনা লানচৈদা আহোমনিংথৌনা মীতৈ নিংথৌদ লান পাংবিরু (খৃঃ ১৭৯০ দ) হায়রকপগী মতুংইনা মীতৈ নিংথৌনা লান পাংবা লাকখি।১৫
নিংথৌ অসিগী মতমদ লাকপা লানমীসিংগী মচা-মসু ওইরমগদি থাজনরি। মসিদগী চহি ১০০ (চাম) মথাঙদা হাইচাগী কংলোঙ্জনি হায়রিবা মকমসিগী মনাকতা মীতৈ মুমনাক ৮ (নিপান) থক তারমই। অদুগী মতুংদা হৌজিক লৈরিবা হাইচা তিনি আলি অমসুং সিংহদুয়ারদ মীতৈ মুমনাক ৪২ (নিফুনিথোই) মুমদারি।১৬ "মনিপুরী রোড" হায়না খংনবা সিবসাগর টাউনদগী হোক্লেকলগা—মথং মথং হাইচরা, বরকোলাদা থুনতাবা হৌখি। বরকোলাদ মীতৈ মুমনাক ৭২ (হুমফু নিথোই) হেন্না মুমদারি। মীতৈ থুন অমিসিগী মনুংদা হাইচরদ মীতৈ লোন, চৎনবীদ অঙনবী লাকপা মরেক সেংনা উবা ফংই। নহারোলদ মুমদা রারী সামবদ অসমীয়া লোন্না মপুং ওই। লোন্নে নোংথগী খংনবগী নাৎ লোন, চৎনবীনা আমু কর্নাপন্লকপনা চহি ৫০ মুকাক তুংদ 'মঙলুথাট' কি মীতৈসিনা ওইখিবা ফীভমদো ওইরকলোই হায়বা ভমদে। মসি লবদনসিগী মীতৈ অহলসিংগী মামনা নিঙমদবা ফেথো খোমজেলনি। মঙদ লৈরিঙৈদা চ ক থাকহৌনবা পামবৈ সি অদুবনা অফবা ওইগত্রা হ র। স মীপুম থুদিংমক্না ভুশাইফদবনি মচৎ অউবানা হ রনরি। অসমদা মীতৈ থুত্তাবগী রারীদ মরুওইনা ব্রহ্মপুত্র তরপাক্তা 'মঙলু ঘাট' হাইচরা অমসুং বরকোলাদ তাখিবা অসিনা অহানবা ওইগনি। মীতৈ নিংথৌ ভাগ্যচন্দ্র অমসুং আহোম স্বর্গদেব রাজেশ্বর অমদি কুরংগময়নীবু নিংসিংবা ওইনা মীংসি ফুরা, সাদুনা অসম মনিপুরগী মরী অমুক চেৎসিনহনবা মনিপুর অমসুং অসম গভর্মেন্টনা অনিনা পুনা পাংথোক্নিপরবদি হায়দগী হেন্না অমুক মরী চেৎসিনগনী থাজনরি।

হবাক তম্পাক—মীতৈ থুনতাবা :

অহোম নিংথৌ অমসু মীতৈ নিংথৌ অনিগী মরকতা মরী থম্নরকপগুম কাছাড়গী নিংথৌ কৃষ্ণচন্দ্র অমসুং মীতৈ নিংথৌ মধুচন্দ্রগী সনাহাকথককতসু নকসিনুনবা মরী লৈনরকই। নাত্তরেম সনাজাওবগী রাইহদ—,The bilateral relations of Manipur with the King of Assam, Cachar and Pong were infomed by mutual understading and the need for sharing the warmth of good nighbourliness Inter marriage between the royal family of Manipur with royal families of Tripura and Assam took place hich ecreated conditions for improving the bilateral relations ১৭
কাছাড়গী নিংথৌ কৃষ্ণচন্দ্রনা (খৃ ১৭৮০ ১৮১৩) মীতৈ নিংথৌ মধুচন্দ্রগী মচা ইবেমা ইন্দুপ্রভা লুহোংবা হাকথককতগী কাছাড়দ মীতৈসিংনে অহানবা ওইনা লৈত্তানা মুমদা লৈবাবগী খুদোংচাবা লৌখি।১৮ মীতৈ নিংথৌ মচাসিংনা কাছাড়দ তোঙান তোঙানুনা নিংথৌ ওইদুনা পালাকলৈগী মতমদ মীতৈশিংনে থুনতাবদ যামনা খুদোংচাবা অমসু ওইখি। কাছাড়দ

মীতৈশিংনা যুমদাদুনা প্যালুজকপা মতমদ মমুওইনা কংলৈপাকত চহি তরেৎ খুন্তাকপা (ইং ১৮১৯ ১৮২৬) খোকথিবা মতমনগীনি। কংলৈপাককী (মনিপুর) মারজিৎ নিংথৌনা কাছাড়গী লৈবাকলোন চেংথবা উদুনা কাছাড়দ লানদাবা মতমদা বর্মীজশিংনা মীতৈ লৈবাকতা লান্দাবগী খুদোংচাবা লৌখি। হারবিরা মতম অসিদা লৈপাককী মীয়াম্না মসা মসাগী থবাগ হিংনমবগীদমকতা খুদোংচাবা য়েংদুনা মায়কৈ কয়াদ চেনবা তাখি। কাছাড়য়োমদা চেংলকপা মতমদা মবু ওইনা মীতৈশিংনা লমবী অহুমদা চেংলকখি। মদুদি — ১) তোংজৈ মরিল ২) কাংচুপ লমবী অমসুং ৩) অথুই লমবী। কাছাড় য়োনা কুমথর-কুলফাওবদা থম্মোই লৈজানা যুমদাবগী খুদোংচাবা ফংখিদে মরমদি বর্মীজ লান্মীশিংনা খুদোংচাবা য়েংদুনা য়ায়া থীনা ওৎনৈবা তৌরম্মী।১৯

বৃটিসশিংনা মীতৈ যুমদাব লৈকাই সেমদুনা খুনজাবদা য়ায়না মতেং অমসু ওইখি। কেপ্তেইন পেমবারটনগী রিপোর্টতা:—The Bangalee is Proved, from natural timidity and physical inferiority of Strength, So ill able to contend with the firerce border tribes, that the very judicious plan has been adopted by Captain Fisher of locating the Muncepooree colonies in these Situations, and with the most complete success 20

খৃ ১৮১৯গী চহি অরেৎখুন্তাকপা মতম অদুবা-ইদা, মীকম চীংশাংদগী মথা থংবদা কাছাড় তমপাক অসিদ চৌরজিৎ, মারজিৎ অমসুং গম্ভীর সিংহ অহুমা লৌশিনম্মী হায়বসি ১৮২৪ ইংদা কাছাড়গী নিংথৌ গোবিন্দচন্দ্রনা গভর্নর জেনেরেলদা হী থা থেরোল অদুনা খুদম্নি।২১

ইং জানুয়ারী ৯, ১৮৩৪ দা মহারাজ গম্ভীর সিংহনা, নোংপোক্তা মতুং ইকুই কুইদনা মরাম্দংনা পোক্লবা মচা ইবুংঙো চৌবাইজনা তাংখুলশীঙমক লাল হোরকখি। চৌবাইজগী লালনা মাইথিবদা নিংথৌশেংনা য়াওরুবা মীতৈ কাংলুপ অমনা তোং-জৈমরিলগী লমখীদা চেনখিদনা কাছাড়গী মফম আয়ামবদা থুন্দাখি। মতৌ অসুম তৌদুনা যোগেন্দ্রজীৎ ত্রিভূবনজিৎকি মতমদ ইং মেগী ১৬, ১৮৪১দা মীতৈ লালহৌবা কাংলুপ কয়াসু তোংজৈ মরিলগী লখীদা চেনীমদুনা কাছাড়গী মফম আয়াম্বদা অমুক খুনদাখি। চন্দ্রকীর্ত্তি নিংথৌ (জুলাই ১৩,১৮৫০) অমসুং মীতৈ নিংথৌ দেবেন্দ্রগী (ওক্টোবর ১৭,১৮৫০) লালহৌদা য়াওরুবা কাংলুপ অমসু কাছাড় সিলেট মচিংবা, লমসিংদা মথং মথং থুনদাখি।২২ মসি নত্তনা মীতৈ লৈবাকতা ইং তপনা পানবা মতমদসু মীতৈ কয়ানা মসা মসানা পামজদুনা কাছাড়দা মবু ওইনা বরাক তমপাকতা খুন্দাবা হৌখি।

নগাঁওপানা (Dist) মীতৈ থুনজাবা

বরাক তমপাকতা চহি ১৫০ মুক মীতৈসিংনা লৈতানা যুমদাবগী তুংদা নগাঁও পানাগী মনুং-চনুনা কপিলি তমপাকতা মীতৈসিংনা যুমদাদুনা থুন্দাবা হৌখি।

কপিলি তমপাক নগাঁও পানাগী মনুঙনবসু থঙৈ। লমদমসিগী মীতৈ থুন তমপাক অসিগী মনুং চলনি। হৌজিকথি হোজাই সবডিভিজন মতম অমদা মীকম চীংসাং (কারবি আংলং) গীশ 'য়াংখোং, মৌজা মনুং চনুনা লৈরমই। চহিহোল ইং ১৯২৭' হাইলকান্দি সবডিভিজনগী কাফরযোল্দা

মৈথা হাওরম লৈকাইদ মৈথা খুনোইগী মচক থোকপ খুদিংদা থরাম হাওবদা থোংখাতাবগ গোঁড়-চন্দ্র, মরাক্তা লমহিংগী মীতৈশিংগী অমংবা খুনো-চাদবা কীতম অমা উদবা মতম পুখ্রমকপা খঙ্গোলদা অমাবা লেমলবা ফাওরমই । মতমদুদা কাবাচদা মীশিং হেনগৎলকপনা মরম ওইদুনা লম মচাং কারকবা, লেল-খুনগী কীতম লোংল লোংলগী কংলকতবনা মীতৈশিংগী কীতমদু থোরকা করমদে । মীয়ামগী থবক্তকিদবক শিজোংদা চৎথোক চৎশিন তৌবা মতমদা গোঁড়চান্দ্রনা জমুনামুখ কৈথেলদা কুমথক মতমদা মীতৈ নুপী অনিথক জমুনামুখ কৈথেলদা থোইবাক তোমদুনা মৈথা থংনবুই । মখোইনা বাড়ী শিনবা মচুংদা পুতম অমসুং রমানন্দ অনিবু উকখি । মখোই অনিগী নুপীশিং মীতৈ নুপী অনিথক । মীতৈগী মাচেল, ময়নাকতা লৌখংলগী তুংদা পুখ্রমবু 'জমুনা তোপ্পা' হায়না মীতৈনা খংলখি । ভিলেজ নোটচৈগী নং: ৮ দা অমুম্না পনখি—
The Manipuls sell chira and Muri (flattenrt and fired rice) at Hojai and Jamunamukh hats

গৌড়চান্দ্রনা 'জমুনা তোপাকপা মাচী কুপ্‌শো সাম-মবগী তুংদ অরম্বা মতৌ শিগানি হায়না খংহনখি । মখোইনা শিজোংদ চৎপা মতমদা মীতৈ নিংথৌ চার চুড়াচান্দ্রনা শিজোংগা লেংতকপা মতমদা উমদুনা থাকম পুখ্রমক শিংশিনৈ—ইশিংখোনা—'ইপাখোই থেংনাক্লু লোতপা মাইপাক্‌পনি হায়রগা খুপ্ননকদুনা থোনা শিখিবি ।

চহিদোল ইং ১৯২৭ গী মার্চ থাগী ২২দা মৈতাবুগী থাথং অমা ফংলগা চহিনগী এপ্রিল ২৪. নগে জমেদন, নুমিৎতা গৌড়চান্দ্র মহাক্তা নিংথেমচা সনাজাওবা হিজম থইবো, সনাম থনো, হাওজম্বম সিংবা, ময়নাম কাংহাই, অমাক্তম সাবিৎ, জমুনা তোপ্পা (পুখ্রম). রমানন্দ (লাইরেম মাচৈনা লৌখংলবা) লোয়রমদা হিজম মাকচ, লোংথোকপ খংলাক মখোয় মথম পুম্না শিন কোকশিনদুনা হৌজিক মৈথিবা থোংখাতাবমইংখোলদা মৈনবা মেনুমাসঙ্ক (তেম্পল) সাং ওইনা সাগুনা লৌনা খুনথানবা থোকখি । খুনতা অহানবদা দ্বিচংখিখিবা ইপুথৌ নিংথেমচা (রাজকুমার) সনাজাওবগী মীং লৌদুনা মগাওপানাগী অহানবা মীতৈখুন রাজবাড়ী হায়না শিংখোনখি ।

'রাজবাড়ী, খুনশিনগী খুন্ননকপগী মরমদা Village notes মা অমুম্না ইরি-The village is Situted midway between Jamuna-mukh, and Hojai Stations on the Inmediate South of the Assam Bengal Railway Tne Railway embankment Serves as a means of Communication. The Jugijan forms its western boundary. It is not navigable, bing blocked by trees in places .

The village was not is existenee, at last Resettlement A small block was Surveyed in 1924-25 as Patni Basti, which is now included in this village newly surveyed on a plane table travarse basis

There are 35 families of which 29 are Manipuris and , 6 patnis all of whom are inmigrants from the

Surma valley. The Manipuris are the latest arrivals and have established themselvse as firm footing" লোয়ননা Assam Schedule xxxvll 'Form.1(Approved in letter No, 4/5379 dt 24-8-17,) ,assed on 26,2,30 Chitha for Surveyed Village দা ইরি। ইং ১৯৩০ দ মীতৈ ময়ুমনাক ২৯ ময়ুমদাবা শানবা অয়া যাথং লৈত্তাকনা পিরকথি।

খুনতাবা হৌরবগী তুংদা মথং মথং মীতৈ খুন ৩৭ রেল লাইনগী থা থংবদা অয়াম্বা মীতৈ খুনতারি। লমদমসিগী মীতৈ মীসিং চাওয়াকনা লিসিং কুনথাযুক লৌরনি।

গুয়াহাটি রাজবাড়ী হায়না খংনবা সিটিগী ময়োলদা ডাবা মীতৈ খুনবু চায় চূড়াচান্দ মহারাজনা সিলোংদা লেপ্তকপা মতমদা রেল্ভ কেম্প অমা ওইনদু থম্বিরম্মি, ডিমাপুর সিলোংদা। মীতৈ নিংথৌগী রাজবাড়ী লৈবগুম। করম চাংদা খুন্দাবা হৌখি অদুগী অসেংবা রেকর্ডনা খুদম পীবা ঙমদ্রি।

অসমগী মফম অয়াবদা মীতৈ লৈরি হায়বা খুদম (সেন্সাস রিপোর্ট (১৯৭১) না পিরি—

	TOTAL	MALE	FEMALE
ASSAM	87,279	44,656	42,623
Goalpara Dist	123	94	29
Kamrup	1 432	885	547
Darrang	338	226	112
Nowgong	8 379	4,291	4 088
Sibsagar	1,227	739	488
Lakhimpur	1 476	900	576
Mikar Hills	1,531	787	744
N.C.Hills	371	242	129
Cachar	72,290	36,383	35,907
●Mizo	112	109	3

● তোপ্তানবা State ওইখে,

Source. Census of India 1972 (ASSAM)

FOOT NOTE

১। C M. Mujumdar · 'Hindu Colonies in the Far East '1963 ला 8

২। এন, খেলচন্দ্র : 'অরিবা মনিপুরী সাহিত্যগী ইতিহাস' ইম্ফল, ১৯৬৯, লা ৪

৩। R M Nath: 'The Background of Assamese Culture, Gauhati, 1978 লা'৯০

৪। এন-খেলচন্দ্র অমসুং এন ইবুংতোহল: চৈথারোল, কুম্বাবা, লাঃ ১৩

৫। Translated by G C Barua: Ahom Burarji লাং ৭৭-৭৮

৬। L Ibungahal 'Introduction to Manipur, Third Edition, 1987 Imphal লা: ১৭৯

৭। চৈথারোল কুম্বাবা লাঃ ১৩,

৮। R M Nath কি খাওফম অমমুনি,

৯। Francis Hamilton 'An Account of Assam, Gauhati ,1963 লাঃ ৮৬'

১০। W S Desai 'A Pageant of Burmese History লাঃ১১০ ১১। চৈথারোল কুম্বাবা, লাঃ১১১ ১২। হিতেশ্বর বরবরুয়া' 'আহোমরদিন,, অসম প্রকাশন পরিষদ, ১৯৮১, লাঃ ২৫৯, ১৩। Sir Edward Gait: 'A History of Assam, Third edition(Reprint) 1984 লাঃ১৮৮, ১৪। S K Bhuyan "Studies in the Literature of Assam Gauhati, 1962 লাঃ১৫০ ● হ'াইচরা খুনগী (শিবসাগর) চহি ৭২ সুরবা ওয়া চিংতাখম রাজেন্দ্রলগী ফংজরকপা রারী।

১৫। S.K Bhuyan: "TungKhungiya Buranji, Gauhati, 1968 লা ১২৩-২৪ ১২৬-২৮, ১৬। তুলন গোহাঁই. লিখোপরীয়া হাইচরা, শিবসাগর, ১৯৮৭ লাঃ ৩৬

১৭। N Sanajaoba (Edited) , Manipur past and present● Vol I, 1988 mittal publication Delhi, P(INTRODUCTION) ১৮। এচ মাণিকচান্দ' 'মৈতৈ খুনাই, লাঃ ১৮, অমসুং উপেনচন্দ্র গুহা 'কাছাড়ের ইতিবৃত্ত, অসম প্রকাশন পরিষদ,১৯৭১ লা ১৩৬, ১৯। এচ, মাণিকচান্দ, উম'লাই খুন্তমগী রারী লাীখুল, কাছাড়' ১৯৭৮, লা' (কাহৌদোক) ২০। Capt R Pemberton 'Report on-The Eastern Frontier of British India, Gauhati 1966 লা ২০০ ২১। মুতুনা বাহাদুরঃ "মণিপুরী আর্টকী রারী শীংবুন (অহানব লশরুক) ইমফাল ১৯৭৩ লা' কাহৌদোক ।।। ২২। এনকে' সনাজাউবা (ইডিটর) লময়ানবা' ৪ শুমা চেকোঙ নভেম্বর ১৯৬৯ লা, ৪-৫ ● Village Notes of Mouza' Rangkhong Mauza 1930-31, D-C office, Nowgaon Govt of Assam

●যোগীজানগী মথং রেনগরে খেমন' ●খুনিঙ্ঙাবদা খাওরকপা অহল হিজম মাধব, চহি ৮২' রাজবাড়ী যোগীজানগী লৌজবা বাহীনি।

1 ARCHIVES IS THE STORE OF THE NATION

The Archival Property of our nations includes in writting in different languages on different materials such as Paper, Palm leaf, Agar bark, Copper Coins, Vellum, Parchment and seals

The main function for preserving of the State record Office should be :—

(i) To concentrate is a single repository all the noncurrent records both confidential and non-confidential

(ii) To house them in a properly requipped building

(iii) To arrange and classified them as scientific principles

(iv) To make them available both to the officials and non Official users

(v). To provide the records with the necessary reference media such as summary and detailed inventories hand books etc

At present the Manipur State Archives collecting and preserving the Records of the Maharajas Britishers and the Manipur under the Indian Union

The State Archives publishing many guides of Records as a source of history.

Deputy Director
MANIPUR STATE ARCHIVES
REGIONAL MEDICAL COLLEGE ROAD
Imphal-795001

"ইতিহাসতা মৈতৈ চনুরাশিং"

— শ্রীমতি সরোজিনী

ঐখোয় মনিপুরী খুন্দিংমক্না ইতিহাসকী লামাইশিং হঙংদা য়েংলুবদা উবা ফংবীগনি মৈতৈ চনুরাশিংনা ইতিহাস শেমগৎপদা লৌবা থৌদাং কয়ামরুম। ইতি-হাসতা থেংনজবা মৈতৈ চনুরাশিংগী থৌদাং, মনিপুর অমদি মুমলোম্নবা লৈবাক্শিং হায়বদি কছার ত্রিপুরা অমদি আসামদসিংবদা মৈতৈ নুপী করানা মবৈবাক মজাতিগী 'হাংনরবা খরদং লৌখৎচরি।

অহানবদা মনিপুরদা মৈতৈ চনুরাশিংনা মনিপুরী ইতিহাসতা কংথোক্লবা খরগী মিং পনজরি। মনিপুর সমাজদা মৈতৈ শিংনা ওমপাক্লী লমদা খুন্দা লৈওয়র-কপা অসিদা ফজরবা পুজিরোল অমা লাগৎলকই। অসিগুম্বা পু জয়োল অসি লমদম অসিগী মীওইশিংনা ইমা পাম্বোইবী অমসু লোংপোক নিংথৌ আনদা যুমফম ওইবগা শেমগৎলকপনি। পাম্বোইবী মৈতৈ জাতিগী মমানি। পাম্বোইবী কনানো-মহাক্কী মমা মপা, মপুরোইবা লৈ হারবসি 'পাম্বোইবী খেক্লুপন' মমেক শেংনা তক্লী। ঐখোয় অমাবনা থংই পাম্বোইবী মৈতৈ জাতিবু মতিক ময়াই লৈনা নাওকোশিংগী লাইরেম্বী ওমনি। লাইরেম্বী পাম্বোইবী, মৈতৈ চনুরা, মপুরোইবা লৈবী সমাজগী শেমগৎ শাগৎপদা অকনবা শরুক লৌরম্বী নুপী অমা ওইনা পোকচরবসু মনিং তম্না হিংগদবনি, হকচাং ফনা লৈবনা নুঙাইরবা পুজি ওৎহান্না হারবা খজনা হিংলম্বী মৈতৈ চনুরানি। অসুনা ঐখোয় মৈতৈগী খুনুং ঈশৈ কয়াদা পাম্বোইবীগী মগুন থাবদা অরাংপা লৈতনা লক্লমীবনি। ইমা পাম্বোইবী মৈতৈ নুপী অমা ওইনা লৈলাম্বী মপুং ফারকপদা লোংলাক নিংথৌ চীংশোম্বগা, খজনখি অমসুং লোইনাশিং, লৈনাশিং ভা মখি মমৈখংদা মখোয় অনি কায়নখি। মমা মপাগী অপাম্বা মতুং ইমা মহাক থাবা শোকচাবগী মচানুপা তরম খোয়নুচাগা লুহোংখি। পাম্বোইবী মশাবু মনিংতম্না হিংহনখিবী, মশা খিংলো পুশিবু নুংঙাইনা হিংবদা হকচাং শাজেল চংই হায়বখনা নুমিৎ থুদিংগী তুরেন্দা ইরোইবগী Practice চৎখিবী মৈতৈ চনুরানি। মসুম পাম্বোইবী নুপী অমা ওই অরবসু [illegible] মশী তৌগদবা থবক খুদিংমক চাংনাইনা চৎলম্বী [illegible]। মহাক্না নোংমা তুরেল লম্বী পুংদা ইরোইরিবদা মহাক্না নুংশিনজবা নোংপোক চীংশো-মগা উমরম্বী। লাইনা থাবা লৈপুন ওইরবন [illegible] অনা লৈপুন ওইমিন্নশি অমুক চনা য়াওরক্লিখি। অদুবু মহাক মপুরোইবা লৈবী, মকু-মনেমগী লেপ [illegible] পুনা লৈবী ওইবনা মপুরোইববু চোপহনবা অমদি মপা নিংথৌবু চোপহনবা পামখিদে। অমদি মশাগী য়াম্না ওকতবী ওইনা উাথগনি থনবগী মহাক হাওনা ফনা

নাশিনথি। অঙাওবা, অঙাওবীবু চেকশিনবীবা লাংপা হায়বসি মীওইবগী চৎনবী ওইবানিনা মহাকপু মকু মনেম অমসুং মপুরোইবনা থওইবীরমদে। মমৈথংদা মহাক উপাই লৈতনুনা মপা নিংগোগী মনাক্তা চলকখি। অমসুং মাগী নুংশিজরবা নোংপোক চীংগোঙগা লৈপুন ওইখি। অমসুং নোংমাইজিংদা পানমীনখি। পাম্বোইবীগী লৌশিংনা নুপীগী লমচৎপু সমাজদা অথিবা ওইহনখিদে অমসুং নুপীবু নুপাগা চপ মান্নবা থাক্তা পুথৎতুনা মৈতৈ জাতিবু লেমগৎপীরম্মী লাই-রেম্বীনি।

মথংদা ঐহাক্না পুথৎচরি 'লৈমা মামুন খাম্বী' মপুরোইবা নীংথৌ, মীনা লাকচবদা খাওবা ওমদবী মপুরোইববু মীনা শাকচখিবদা মদুগী লমন থুম্নবা "হৌৎনখিবী নুজাশিংগী মনুংদা লৈমা মামুন খাম্বী থোইদোক্না শিংথাবা মাই হায়বসি চায়নরোন' নৈনরগা খওবা ওমগনি। মহাক অসি থুমন নিংথৌ পুন্সিবা পুরাম চুমাপ্পনবগী মনাই অথোবা নোংমাই চাখা মোই-রেমগী নুপীনি। থুমন নিংথৌ পুনসীবা চুমলেনবনা পামবা মতমদা হৈরেম-খুজ্জান হায়বদি হৌজিক্না ককচিং হায়রনা থ নরীবা লমদম অসি মতৈ অঙোম থুমন মোইরাং অসিদা অমত্তা য়াওদনা হৈরেম খুঙ্জান হায়দুনা মনিংতম্না লৈরম্মী। হায়রিবা মতম অসিদা অকনবা হৈরেম কাংবীশু কৌবা মখোঙ লেকপা থাগ্রা লমহেনবা নিপা অমা লৈরম্মী। মহাক্না ওৎপা নৈবা ফত্রবা চৈবানা থুমন মচা অমত্তা মখা মায়কৈদা চৎপা ঙমদ্রে হায়বসি থুমন নিংথৌগী নাকোং রোরে। থুমন নিংথৌনা অঙম অথৌ লৈপাক মরাম ঙিক্লনদা হাইখি: ইন্দাইরেন থুমন খাথা লাইথা থনবশা হৈরেম কাংবীশু শমু খোঙলেকপা লা লেন কোংয়া, চৈশু পাল্লা থোবনা ইরুম নোংমাই শিংজা ইকোইবদা য়েঙ্গাং থোচৎ-ফদরে অমুম থুন চমুশিংগী লৈরক কোনসাং রাবু তারে। "মখোয় মরাম মরকগী থনা ফবা অথোবা কনানা মাগা লাম্বা তৌদুনা মরোং চু কুনা তিমেন তা চায়ন-বুগেগে হায়রনা হংলকক্রে' (1)। অরবা কনা অমত্তনা পাওথুম পীরক্তবদা নাহা ওইরীবা নোংমায় চাখা মোইরেম্বা অথোবনা নিংথৌ সনা মাঙদা চোংথোকনা তিমেন তা চায়নজবুগে পাউথুমখি। অমসুং মথংগী নুমিৎতা হৈরেম কাংবীশুগা লাম্বা পাজবুগে হাইদুনা থুমন নিংথৌদগী থীদাব নিজখি। ময়ুমদা হুম্রক্নুগা মাগী নুপী লৈবা নামুন খাম্বীদা মহাক হরেং হৈবেম কাংবীশুগা তা চায়নবা চৎলগনি তরা চয়োম লাও রাংলৈ থোমহাল্লু হাইখি। মপুরোইবগী য় তারবদা লৈমনা মহাক্কী মথংগী থোরম পুম্বা নুমিদাংদা ঙমখি অমসুং মপুরোইববু চৎখিনু হায়জখি। অদুবু চাখা মোইবেম্বনা থুমন নিংথৌদা অমদি থুমন কংলাদা য়াথোক্লমলবানিনা মহাক চৎতবা য়াদবনি হায়দুনা চংখি। হৈবেম খৌরগা মহাক্না হৈরেম কাংবীশুগা মখোয় অনি চুং তা পাবনদুনা চাইন থোংফেন হানসি হায়রবদা হৈরেম কাংবীশুনা মখুমদগী চুং তা লৌবুদুনা মখোয় অনিমক চায়ননবা লমশিং ওহোক্লখি। মতম অদুগী চৎনবী কথা লৈরমই মতুদি কনাগুম্বা অমনা মী অমবু শীংনবা লাক্রবদি লাম্বা অদুগী মরক্তা চাইংপু অদু মরমদম তাবা য়াওরবদি মরমদমদা লৈবা অদুনা হাল্লমাতা হুনগনি। নত্রগা শীংনবা লাক্লিবা মী অদুনা হুনগনি। চং তুম্বা চৎনবী অদুনা চাখা মোইরেম্বনা হৈরেম কাংবীশুদা নবনদমনি নাহাক হাম্না তা হুল্লকউ হায়রকখি। অদুবু হৈবেম কাংবীশুনা মহাক্না শিংনবা লাকপনি নাহাক হাম্না তা হুল্লকউ হায়রবদা চাখা মোইরেম্বানা হাম্না হুল্লকখি। শীংনরীবা মাম্বা অদুগী হকচাংগী মচি অমদা পান্দুনা ঈ থোক্রবদি অঙবা

লকলৈ। চাখা মোইরেঙনা হুনবদা হৈরেম কাংবীশুগী খোংগী খুদোন্দা পান্দুনা হৈ থোকখি। অদুবু তানা পানব নত্রে অয়ুক্তা শনপোং থোরবদা কাকৈক্না চিক-পনি হাপ্পদুনা চাখা মোইরেংবু মিনমখি। মতৌ অদুম্না হৈরেম কাংবীশুনা চাখা মোইরেংগী মথক কত্তুনা লালু পোৎলম গাগা মখুৎদা হনখি। অদুগা খুমন্দদি লৈমা নামুন খাম্বীনা মপুবোইবগী মপাও কোইহং হংজবদা মপুবোইব শিখোক্ খক্লখি। মহাক্না খুমন নিংথৌবা মপুরোইবা হাংথিবগী লম্বম খুম্বীম্ হাপ্লজবদা খুমন নিংথৌনা মাল্লবদা মপাম মোইবাংদা চৎতুনা হাপ্লখি। মতুংদসু লমন খুম্বীনবা মী লৈরবদা মহাকা মনাও নুপ শীসোং নীংথৌদা হাবজবদুনা মনাও নুপানা হৈরেম কাংবীশুগী অকনপা লরেম মইতমদা শিন্নখি। অসিন লৈমা নামুন খাম্বীগী মপুবোইবা নিংবা অমদি হনবা নাইদ্রবা থোনা কমা মইতৈ জাতিগী নুপীজা কথানা খংহন্নবা হোৎনবীরমখি।

অহৌমথুবদা ঐহাক্না মোইবাংগী থোইবী পুখৎচরি। "থোইবী" মৈতৈ জাতিগী নুপীগী শকম লেংনা উৎথিবী নুপীনি। থোইবী মোইরাং নিংথৌগী মনাও নুপা চীংখুবা লেম্লহৈবগী মচানুপীনি। "খম্বা থোইবীগী" নুংশিনরিবদা থোইদোক হেন্দোক্না জাতি অসিগী পুন্সিগী খাজবা মওং কথায়োম শিন্দুনা লৈরি। চীংখু নাহা তেলহৈবগী মচানুপী থোইবী মতমগী মোইবাংদা খাইদগী হেন্না মথক মতৌ ফজবী অচোবা ইমুংগী নুপী ওইবীগী গুন চপ-চানা লৈবী নুপীনি। মতম অদুগী সমাজগী চৎনবী কয়া লৈনবুরগা খংবদা থোইবী মশাগী বাখল কয়া থাজবী, মশাগী মৎ বাখল চপ চানা শিজিন্নবী, মনিং তম্বী, মীওইবা জাতিগী মী অমগা মী অমগা চপ মান্নবা থমজানিংবী অদুগুম্বী খেল চাওবী নুপীনি। থোইবীনা খম্বু অহানবা উবদা

পুক্নিংনা ফাওখিবা ইহুললা শনিক ভগনকরনখিবা অদুদগী উশংপুবা মতুং চাহি (৪) গী তুংদা কাং শান্ন ফমদা উথিবদা হন্নাওমনবা পাথরখিবা ভগৎনমক নুপীমচা অমনা মহাক্নী নুংশিজবা মীওই অমা উবদা চৎপা লিচৎনি। মপা ইবুংঙো চীংখুবা যুবরাজ অমসুং নোংথাম্না খম্বু মোইরাং থোরি কৈথেন্দা খম্বু শম্বু-থোংদ মেৎতুনা হাংকে হোৎনবরম্দা মহাক্না থেননিবা থোদাং শি, জম্বী, অবইবী নুপী অমগী থোদো নক্ত। থোইবী মশাগী অনংবা চপ চানা লেপপী মতম অদুগী চৎনবী মতুংইন্না নুপীবু অরোইবা শ্য-ভা-গুনা খম্বা মমা মপাগী অনিংবদা নমদুনা চৎচবা হোৎনবা মহাক্না যাখিদে। মপা চাৎথবা অমসুং মপল নিংথৌনা মহাকপু ফম্বদা পিরে হাম্নাখবা মতুংইন্না মহাক খম্বা নত্তবা মীওই অমত্তা নুংশিবা ভমাশদে। খম্বগীদমক মহাক কবো লোইদ লদুনা তুমুবা রূপগী মচানুপীগী অত্যাচার কয়া থেনা ফনা থাংখি।

অদুবু তুমুবাকপগী মচানুপীনা উশিং থগোইদনা ভাবেবাদি মহাক্না যাখিদে। অমসুং ফুদনা নারকখি। মহাক অচুম্বগীদমক্তা কনামতা কিখিদে। তুম্বু নিংথৌনা থোইবী অমদি মচানুপীগী মনুংদা কানা মবাল লৈবনো 'খংগদ্বি' অমসুং থোইবীনা তুম্বু নিংঙোল চংশীংথোম্বীনা মডোন্দা চৎথিবা লিচৎ খুদিংমক লেনা লিথোকখি। তুম্বু নিংথৌনা মচা-নুপীনা লাত্নে থংলবদা লোইদ লৈরিবা থোইবীদা মবাল কোক্লনবা হাপ্লহনখি। মসিনি মৈতৈ খুদ মক্না শক্তালবা থোইবীগী অচুম্বগী থোনা। অম্বোমদা অনুক থোইবীনা কবো লোইদগী কারকপাদা নোংবানবু উবুবদা ভৌথিবা নুপীজা ওইবীগী চীনবানথোংগী লাং মতৌ কয়া 'নাংবাক্লগী নাম্ভোকখিগদগে খক্লপা মহাক্না নেংথান্দা ইটৈ কৌশলবা, লগোল তোংগে

হাৱজিনবা অমসুং করোনাই হোৱে হাৱজিনগা থবগী মরুম চৌমবা চেনখিবা ওহী অহুকপা থোইবীগী শক্তিনি। থোইবীগী পুক্নিঙনা খম্বু উবুবা নুমিৎতগী শিবা মাওবা থোদোক হাখোক করাবুরা শিক থল্লি। পুম্নমক থবগীদমকনি। অরোইবদা খম্বনা থোইবীবু নুংশি চাংলেং পরিক্ষা তৌবুবগী থোইবীনা থাংনা লপুনা খম্বা পানবদগী খবা মররাই থাখি। থোইবীসু মথন্তা থাংনা থিনদৎতুনা খবগা শিথিনখি। থোইবী সত্তিনি, মহাকপু লক্লরিবসি লৈকায় পাখং নত্তে, মতম অদুদা খম্বনা খায়দগী অহেনবা অকনবনি। মদুদা লৈকায় পাখং চংঙক্তনা লক্লুবা ওমকম থোক্তে থংই। অদুবু মপুরোইবগী চাংনবা মীয়েং লৈহনবিনংদবদগী মহাক্না খম্বদা থাং শ খিবনি। মরমদি খম্বু থাজহল্লবগীদমক। 'থোইবী' হৈতে সমাজ অসিগী থোৎথ্রবা, লুখ্রবা মংখবা চেংখ্রবা, থোংখ্রবা, নিংথিজখ্রবা থাজবা পুম্নমক্কী গুন পুম্নমক য়েক্তনা লৈরম্বীনি।

মরীশুঙদা ঐহাক্না পুখৎচরি মহারানী "লীহোই-নী লীহোইওম্বী হৈশিংবী অমসুং মইরবাকপু নুংশিবনা মহাক্কী মরৈবাকপু য়েক্লবগী মথুংতগী ইরাম-লায়না কলহৌবা ওম্বী মণিপুরগী মশক নাইরবী রানীনি। লীহোইওম্বী' অক্তোম নিংথৌ নোংপোক কাওলোম্বগী মচানুপীনি। ইংকুমজা ১৪৩২—১৪৬৭ তা পাল্লম্বা হৈদিংঙ্গ নিংথৌখোম্বগী মহারানীনি। অঙোম নিংথৌ হোম কেতৈ লৈসা লীহোইওম্বী মখোনা ফবী, মনিংজেশ নৈবী চৌরবা মতমদা পৌশিং ফকমা নদবী পাইরক্কী লৌশিং লৈবী নুপীনি। ইং কুমজা ১৪৭৩ দা লেনবী অক্রগী মীশিংনা মৈতৈগী লমদা লান্দাদুনা ওৎ-নৈপলোয় হাবরা কাদুনা মৈদিংঙ্গ নিংথৌখোম্বনা অকলাবা লান তাবা লেপখি। অমসুং চীংগী খুনদা লৌশিং মখোয়না হংবা গম্মি লৌশিং লৈবী মাহারানীনা নিংথৌ লৈরক্তে হায়বা খঙহল্লনা নিংথৌগী পোৎলোই লমপোং লেংচিন্দুনা নিংথৌ শাদুনা, মরৈবাক নীংথৌ মনাইশিংগা লোইননা নিপা ফিজোল শেংতুনা লাম্বা-মকইবা কাংবুশিং অদুবু মুগা কেক্ল মথু নোইশিনদনা তরাম তরাখা বাহৈনা থেমজিন্দনা হাইরকই "ইবাইরেম লোইবী তরা-তুলেম মনিন নাইবদা মখোয়না চক্লবী ইকৈরেন অসিদা কুমলকপদি কদৌগে হায়রবনো লাইরেন ঐসুং শেনবী কখো অক্রা মপুংদাই য়েংলুবদু ইরোন ও ম্দয়ক্রে। লোইবী নখোয়পুং নরাজ লোনলেন মাইদা হনবাইশিরো হায়না পাউমেল্লকই (২) নিংথৌগী বাদু তাবগা তাংখুলশি না পাওথুমলকই — এ। লাইরেম কোয়রো ইনিংথৌ হে ইবুংঙো তাও মচাইরেম ত্রখোয়না লাইরেন সনা মখোংদা তরা চানিজগে রাংলৈ মৃত্নি থক্কে হায়দুনা লাইরেন সনা মখো থাদা ইন্দাজরকএ হায়না পাওমেন-জবকই, (৩)। তাল্লা অসি লোৎদুনা রানীনা কেক্লু মথু নোইশিল্লগা মৃত্ন অদু তা খুনশিংদা শিথক্লে। মখোয়না মৃত্ন তাওদুনা লৈরিবতেদা মথুংতগী খুংলাইশিং মুক্লে অমসুং লালহৌবা মকোক অদুবু ফাদুনা থক্লে। হায়রিবা চৈরক অসিদা মহারাজসু অক্রা লান তমদুনা হল্লক্লবদা মহারানীগী হৈশিংবা মওং অদুদা থাগৎতবা ফংখদে। তলেংনমক মহারাণী লিহোইওম্বী মুসলমান সুলতানা রেজিয়া অমদি ঝান্সীগী রাণী লক্ষ্মীবাইগা মান্ননা চাংদমবা নাই হায়না মণিপুরী থুদিংনা শিংখোনরি।

মঙাশুবদা মাহারাণী কুমুদিনিগী মসিং পুখৎচরি। মাহারাণী কুমুদিনি শিজেমৈ চী ঙা-মথাদগী, মাইরাম গৌরশ্যামসিংহ লুপাংনিংথৌগী

মচানুপীনি মনিপুরেশ্বর মাহারাজ গমভীর সিংহগী নুপীনি ।

মহারাণী কুমুদিনি মতম অদুগী থাইদগী ফজবী নুপীশিংগী মনুংদা অমনি মথোমা লৈবী মরোশিং শিংগী চিরবা মতমদা নিপাগুম্না শক্তি ফংলোকপা ভদ্রা-লৈবাক ভাক্রোন্দা মাহাকুম্না উবা ওবী-মৈতৈ লৈমা মশি' য়ামদে । অসুক রাস্থা গুনশিং অংসগী মথক্তা নুপী ওইবীগী কল্লক শক্লনবা' নিংথৌকোনগী মচিন মনাও মপা মচা অকিবা তুক্লংবা নুংশিবা লৈতনা হুৎনবা অসিবু খন্দুনবা লৈগনবী রাণী অমদি ওইখি । মাহাক্কী অসিগুম্বা মীবু থজগদবা লোশিং অসিনা মচানিপা চন্দ্রকীর্তিবু মরক্তা মাঙগদবা কযাদগী লাপথোক-হন্দুনা, মশাগী মপাঙ্গল চাওবকপা ফাওবা না থওনা থম্রগা মতম চাৎবা কান্দা পুথোরক্লুনা থাইদগী শক্তি লৈবা পুশিবা মণিপুরগী মাহারাজ ওইখি মাহারাজ গমভীরসিংহনা লৈথিদবা মতমদা চন্দ্রকীর্তি মশাগী চহি ১ ৩ ভা ডায়রোই । শক্তি লৈরবা মতোন ইবুংঙো নরসিংহনা মহাকপু অমদি মমাশি জবু যেংশিনবগী ভার লোহোই । মরমসিমক্রুনি মাহারাণী কুমুদিনিনা নরসিংহবু থাজদবগী মরমসু । মণিপুরেশ্বর মাহারাজ নরসিংহ মনিপুরগী ইতিহাসতা পুক-চেলগী উবাম থোনা মরীশিং লৈনা কংথোকপা ভগবীদমক লেঙাম্না উবা মীশক্র । অদুবু নিংথৌ কোনগী অমোৎপা কয়ানা থলহনবনা মাহারাণী কুমুদিনিনা নরসিংহবু থাজখিদে অমসুং মাহাকপু হাৎমবা হোৎনখি । উমথিদুবদা মচানিপা পুদুনা কাছারদা জেলরুগা বৃটিশতা চংখি । সাহেবসিংগা চুক্তি অমগী মথাদা মমা মচাবু ভাকহন্দুনা মচা চাউনবা লোকখি, মহৈ মশিং তম্ম ংখি । মৈদা মাহারাজা নরসিংহনা শিরবা মতুংদা কুমুদিনী অমদি থাজাজ, জেনরেলগী লোশিংদগী অহিংদা বৃটিসকী মথুৎতগী নাহোরদুনা মচানিপাবু মণিপুর লোহনখি অমসুং দেবেন্দ্র মাহারাজ-দগী নিংথৌ খুডম মুলহনখি অমসু মনিপুরগী সিংহাসনদা চন্দ্রকীর্তিবু মতম কুইনগী ওইনা ফমহনখি । মাহারানী কুমুদিনী মতিক ময়াই লৈনা চন্দ্রকীর্তিগী মতমদা লৈবাক ভাক্রোন কয়া পুথোকখি । মাহারানীগী রাথদগী 'শঙ্গায় ফমাং' পুরা ইবা লোইশিনহনখি । মাহারাণী লৈপাক ভাক্রোন্দা কুপপগুম ইশ্বরগী শেবাদসু মথানায় কৎলম্মী । নোংমগী মনুংদা শ্রীশ্রী গোবীন্দজিগী আরটি থুদিংমক রাওদনা মশাবু ইশ্বরদা কৎথোকই । লৈথিবা,লৈ-লে বা ফাওবা মাহারাণী মশানা য়েংশিল্লি । নোংমদি শ্রীগোবীন্দগী-লৈ লেংবদা কাকহৈ অমা কাওরম্রে পাঙ্ক ভাবদা রানীনা অসুম হায়রনা যাথং তওথরকই -'কাকহৈবু য়াচিল ফগাং চঙদুনা পুংমুদা লোইথাখো । তশেংনমক কাকহৈবু নৎতে লৈ হ'ক্রুনা মীবুনি পীরিবা দন্দদু । অসিদা নৎতে মাহারাণীনা ঢাকা-দক্ষীণ মহাপ্রভু বাঙ্গলাদেশতা লৈবদা অচৌবা শাংক অমা কৎখি । উসি ফাওবা শাবিক অদু বাঙ্গলাদেশতা লৈরি । শরক্কী মশাদ মাহারাজ চন্দ্রকীর্তি অমসু মাহারানীগী মিং থারি । কুমুদিনী মাহারানী অশেংবা-মক লাইগী শক্তি লৈবী মৈতৈ চনুনি । মহাক্কী মবুধি মকৌশিং, মীরবাকপু নুংশিবা, ঈশ্বরবু নিংজবনা মনিপুরেশ্বর মাহারাজ চন্দ্রকীর্তিনা মশো। ফমা মনিপুরদা পাল্লবীন ।

মনিপুরী চনুরা কয়ানা রুমলোম্রবা লৈবাকশিং হায়রবাদ আসাম, কাছার অমদি ত্রিপুরানাচৎবদা মরুম পানাখদুনা রুমলোম্রবা লৈবাকশিং অদুগী মরেম্মা ওইথুবদা মথোয় মথোয়না অদুগুম্বা লৈবাকশিং অদুগী-

দমদা কৎথোক্নখা করা ইতিহাসতা থোনজন্নবাদগী মরদং লৌথৎচরি । অহানবদা ঐহাক্না আসামগী রাণী 'কুরঙ্গনয়নী', মনিপুর মহারাজ ভাগ্যচন্দ্র/ কার্তা জয়সিংহগী মচানুপী লৌরম্যানা পোকপনি । মহাক অসি অহম নিংথৌ রাজেশ্বর সিংহগী নুপীনি । কুরঙ্গনয়নীনা করম্না আসামগী নিংথৌ দা লুহোংখিবগে অদুগা করম্না আসামগী সিংহাসন কনখিবগে হায়বসিগী মরমদা থরদং পনজগে—ইংকুমদা ১৭৬৮ দা ব্রহ্মাদেশকী নিংথৌ আলোঙটপায়াগী মচানিপা রাইমা সিনবিউসিনগী ঔরা তেজোলনা ভাগ্যচন্দ্র মহারাজবু মনিপুরদগী তানথোকপিরকুনা আসামদা ভেথাও নিংথৌ স্বর্গদেব রাজেশ্বর সিংহগী মকমদা লান পাংবীউ হায়জবা চৎলমই । মসিদা রাজেশ্বর সিংহনা হয়াও হয়াও ঙাখি । ভাগ্যচন্দ্রনা রাজেশ্বর সিংহগী ফজবা মওং অদুদা পেনখিদুনা নিংথৌ অমি তুংফাওবা চেংন চানবা মরূপ শামলবগি দমদা মরমদুং গৌরশ্যামা পোকচবী মজাইবেম্না কুরঙ্গনয়নীবু অহম নিংথৌ রাজেশ্বর সিংহদা থাজদুনা লোনাইনৈদা লুহোংখি । মজা ইবেম্মগা লোইনরকপদি গী নৈফম্না গোবিন্দসাগর অমসুং রোবহাটকী মনাক্তা লোমাই মাজি মরু চরাইগী মনাক্তা "মগলু ঘাত" (মৈতৈ নৈন্দা) থোক্লমই । অসিতা নংতনা মরাইংশবু নিংশিংনবা গোবিন্দ-সাগরদগী লাপতনা বরআলি মনাক্তা অচৌবা পুখ্রি অমা তৌরমই । পুখ্রি অদুবু "মগলু জীয়ে-কর পুখুরী" হায়না থড়নৈ । লোক ১৭৬৯ দা রাজেশ্বরসিংহ লোইখি । অহমগী মতম অদুগী চৎনবী মতুং ইন্না রাজেশ্বর সিংহনা লৈথিদ্রবদা মনাও নিপা লক্ষ্মী সিংহনা আসামগী নিংথৌ ওইরমই অমসুং কুরঙ্গনয়নীবু মহাক্কী রাণী হাপল-মই । নিংথৌ লক্ষ্মী সিংহগী মতমদা মোয়ামা-রিয়াসিংনা লান হৌরকই । লান অসিদা কীর্তিচন্দ্র বরবরুবা হাৎখে । লক্ষ্মীসিংহ ফাদুনা জয়দলদা থম খ । মোয়ানগী লুচিংবা রামাকান্তনা অহমগী নিংথৌ ওইরে । অদুগা রাঘবনা বরবরুরা ওইনা থবক খুদিংমক শিনখি । রাঘবনা মৈতৈ নৈমা কুরঙ্গনয়নীবু মশানা রাদনা রাণী নৈমা শিংদা চম্ফে লাওথোক্তুনা ফাদুনা থমখি । কুরঙ্গনয়নীনা মতৌ করমনা মোয়ামরিয়াশিংগী লুচিংবা রাঘবকী মথুক্তগী নাহোরকপগে অমসু আসামগী রাজসিংহাসন কনবা ওএনপগে হায়বসি খন্দুনরা নৈরম্মী । হোৎনবদি ঙমদবা নৈতে হায়বসি আসামগী রাণী কুরঙ্গনয়নীগী চরিত্রগী থওবা ওমম্মী । থবক অসি থবক ওইনা পাঙথোক্নবাগীদমকতা কুরঙ্গনয়নীনা রাধাকৃষ্ণ হায়বা নিংথৌদলক্ষ্মী সিংহগী মনাই অচানবা অমগা রা তানদুনা ইংলোক ১৭৭০ ইংগী এপ্রিলথাদা "বহাগ বিহু" মতমদা 'হুচরী শাদা অমা লাওতুনা কোনুংদা বিহু' শক্নবা থিল্লরে । মীয়াম থিল্লবা অদু ঊবদা বরবরুরা রাঘবনা থাংশ্যাং পাইদুনা চোংথোরক্লে । নুমিৎ অসিদা কুরঙ্গনয়নীনা নুপী ওইবীগী ফজরবা নৈথোং করাগী মথক্তা নুংশিরবা চীনবানথোংগী ও ং করানা রাঘবপু শুমহৎলদুনা হায়রকই । "অসিগুম্বা নুংঙাইরবা বহাগ বিহু নুমিৎতা হুচরি শকপা লাকচবা মীওইশিংদো থাংপাইদুনা হোৎথোরকপা হোনদে' হায়জদুনা রাঘব-তগী থা শাং মুলহৌখ অমসুং রাঘবনা পান্না থুরুমদি-নৈতনা কুরঙ্গনয়নীনা রাঘবপু থাংনা রানথদুনা হাৎখি । মতৌ অসুম্না মৈতৈ চনু, রানী কুরঙ্গনয়নীনা মোয়ামারিয়া-শিংগী মথুক্তগী অহম জাতিবু অমসুং আসামদা নৈবা মীশিংবু, আসামগী সিংহাসন উদ্ধার তৌদুনা নিংথৌ

লক্ষী সিংহবু আশামগী সিংহাসনদা ফামংখি। অদোমা হাইরবাদা কুরঙ্গনয়নীগী লৌশিং মথৌমদ্রবদি আসামগী ইতিহাস অসি মওং অমাহোংলগনবনি হায়বদা হায়মনবা থোক্লোই।

অনিশুবদা ঐহাক্না কাছার রানী নত্তগা মরাং রানী মৈতৈ চনু 'ইন্দুপ্রভা' লৌখক্তরি। মাহারাণী ইন্দুপ্রভা মনিপুরগী নিংথৌ ভাগ্যচন্দ্রগী মচানুপা মনিপুর নিংথৌ মধুচন্দ্রগী মচানুপীনি। মহাক অসি কাছারগী নিংথৌ কৃষ্ণচন্দ্রগা ইংলোক (১৭৮০ – ১৮১৩) দা লুহোংখি। মাহারাণী ইন্দুপ্রভানা মরাং নিংথৌ/কছার নিংথৌগা লুহোংবা অসিনা মনিপুরদগী মৈতৈ কয়ামুক কাছার কোনু 'খাসপুর' অমসুং মফমগী নকুবা লম কয়াদা লৈরমই। মৈতৈ অমসুং কাছারগী নুংশিনবা মরি খংহন হেনজিল্লমী। ইংলোক ১৮১৩ দা কাছার নিংথৌ কৃষ্ণচন্দ্র লোইশাখিবা মতুংদা মৈজংবা মরক্তা মনাউ নিপা গোবীনচন্দ্রনা কাছারগী নিংথৌ ওইরে। কাছারগী চৎনবী মতুংইন্না রানী ইন্দুপ্রভা মন ওনবা গোবীনচন্দ্রগী রানী হাপখি অসিগুম্বা চৎনবী অসি মনিপুরদা চংনদবনা মৈতৈ নিংথৌ মচিন-মনাও চৌরজিৎ অমদি মারজিৎতি গোবীনচন্দ্রনা মাখোয়বু উনিংতবনি হায়বনা খন্দুনা গোবীনচন্দ্রগী মথক্তা লান তান্নই। গোবীনচন্দ্রনা মারজিৎতা অকায়বা অমথক্তা চৎলমদে। অমসুং মরিমতা ওইবাগী ব্যবহার উৎলমই। অদুবু চৌরজিৎনা লান শিংনবদা রানী ইন্দুপ্রভানা খোনা ফনা চোংথোক্তুনা হায়খি—"লাইবক থিবদগী লুখৎবী ওইবুরে— অমাউবনা মাঙওইরদুনা ঐবু অমুক হন্না লুখৎলী শিংদা চঙহনবীরগনু"। (১) নুংশিরবা নুপীমচা অদুগী বাক্তাওদুদা চৌরজিৎ কাছার থাদোক্তুনা বর পীরগা মনিপুরদা হল্লকখি।

অসিনি ইন্দুপ্রভাগী ফজরবী লক্ষী মথক্তা নুংশিরবী নুপী ওইবীগী বাক্তাং শাঙাং। মাহারানী ইন্দুপ্রভাগী খাইদগী শিংথানিংঙাই ওইবা কাছারগী ইতিহাসকী থোদোক্ত কাহাতশিং অসি হায়দি শক্তি ধর্ম চৎলমই অদুবু মাহাক্না গোবীনচন্দ্রগী মাহারানী ওইরবা মতুংদা হিন্দু ধর্ম চৎহনখি। মহাক্না নিংথৌবা লৌরিনদা কাশী থাবদা চৎতুনা ইমা দুর্গাগী মূর্তী লাহল্লুবদা কাছারগী কোনুংদা মন্দির শাদুনা সেবা চৎচখি। মাহারানী অসিনা মশুম পাক্ষিরৈতেদগী 'লাইখুরেম্বীবু' পূজা তৌজরকখি। মাহাক্না লাইখুরেম্বী ইমানি খন্দুনা 'দুর্গা গী মূর্তীদু' লৎচখি। হায়রিবা চহি অসিদগী কাছারদা বৈষ্ণব ধর্ম্ম চৎনখি। মথংদা রানী অসিনা নিংথৌ গোবীনচন্দ্রনা লোঙাখৎবদা কাছার ডাকপাগীভার পুম্মক মাহাক্না লৌখম থোকই কনাগুম্বা যুমলোম্নাবা লৈবাক্তা কাছার হিংনাশিনফম থোক্তে অমদি মরিমথোং শেংদবা নিংথৌ মচাদা কছারগী সিংহাসন পিথোকফম থোক্তে হায়দুনা বৃটিশ সরকারদা দরখাস্ত থাখি। দাবী তৌনরিবশিংগী মরক্তা কাছার নিংথৌ মচা তুলরাম অমসুং মনিপুর নিংথৌ গম্ভীর সিংহনা কছার অসি মাহাক্কী লৈপাক শন্দোকচগে অসিনি। বৃটিশ সরকারনা মাহারানী ইন্দুপ্রভাগী দাবীদা মাহাক্না শিংদ্রফাওবা কছার লৈপাক মাহাক্কী ওইজগে। মাহাক্না শিরবা মতুংদা বৃটিশ সরকারনা কাছার লৈপাক লৌবীয়ু হায়বা থাফম অসি খঙলমই। ইংলোক ১৮৩২ গী আগষ্ট তাং ১০ দা কাছার লৈবাক বৃটিশকী মখাদ থমখি। অমসুং বৃটিশ সরকারনা মাহারানী ইন্দুপ্রভাদা চহি চহিদা এলাউন্সে লুপা ২৩৪ অনা ১০ পীরমই। ইন্দুপ্রভানা মশাগী অকিবা য়াওদনা কাছার লৈবাকী অমদি মাহাক্কী প্রজাগীদমক কাছার লৈবাক শক্তম কায়হন্দনবগীদমক বৃটিশ সরকারগী মখাদা থমনা থারদগী কান্নবা ওইগনি খন্দুনা মাহাক্কী রানী অমগী তৌকম থোকপা মথৌ পাংথোকখিবী

মৈতৈ চনুনি।

অরোইবদা ঐহাক্না তখেলদা মহুগা ত্রিপুরাদা ও'থিবী মৈতৈ চনুরাশি গী মরমদা খরদ' পনজরি। মাহারাজ ভাগ্যচন্দ্র যুমলোম্নবা লৈবাক কয়াগা নুংশিনা চায়-চিন্নবা লৈমিন্নবা পাম্বা নিংথে ওইখিবনা মাহারা-জনা মজা ইবেম্মাশিং অমদি মশু-ইবেম্মাশ'বু আপামদা, কাছাড়দা অ'খলদা থাজবা হৌখি। মহারজনা মজাইবেম্মা হরিশেশ্বরীবু ত্রপেল নিংথৌ রাজধর মণীক্যদা (ইং ১৭৮৫-১৮০৭) লু'হাংখি। মথৎ দা নিংথৌ অসিগী মচানিং মশুনিং কয়া ত্রিপুরাগী রাণী, কয়ামক ওইখি। খুদম ওইনা হায়রক্রবদা নিংথৌ কাশিচন্দ্র মাণিক্য (৮১৬ ১৮২৯) না মনিপুরী রাজকন্যা কুটিলক্ষীবু লুহোংখি। কৃষ্ণ কিশোর মণিক্যনা (১৮২৯ ১৮৪৯) মণিপুর মহারাজ মার্জিংকীমচা ইবেম্মা অকুমবু হায়বদি চন্দ্রকান্তা, অখিসকরী অমসু' বিদুবাশাবু লুহোংখি। অসিগী নংথনা মাহারাজ বীরচন্দ্র মাণিক্যনা (১৮৬২ -১৮৯৬) ভাগ্যচন্দ্র মাহারাজগী মচা নুপা তুলাজিংকী মচা ভানুমতীবু লুহোংখি। হায়রিবা ত্রখেলগী নিংথৌশিং অসিনা অসাম চনু কয়াসু মথে মগী রাণী ওইনা লুহোংদুনা লৌখি। খুদম ওইনা মাহারাজ বীরচন্দ্র মণিক্যনা থুমনথেম নিংথোল মনমোহিনীবু লুহোংদুনা লৌখি। রাণী অসিমক ত্রিপুরাগী মৈতৈ কয়াগী কান্নবা কয়া তৌরবী লৈমনি। মহাক্না মপাম বনমালিপুর এ এ ময়োউত্তা হৌজিক ফাউবা মায়ু পোকপা মপাগী মিং দা অচৌবা ফুরা লৈরি। ফুরাদা লৈবা শীলালিপ (সংকৃতিনা ইরিবা) শ্রী মনমোহিনী দেবী মাথরে ত্রিপুরেশ্বরী চক্রে মমন ভোগ্রাম্যোমঠং পিতৃবনে পিতু: অসৌ কীর্তিধ্বজা নাম প্রখত ক্ষত্রিয় ক্ষমী শাশ্বাগ্রি ধারাবাড় দিগ ঘদিনে দিবমরুজং—

হায়বদি – ত্রিপুরেশ্বরী শ্রী মনমোহিনী দেবী ১৩০২ ত্রিপুরা সনের বৈশাখ মাসে (শজিবু থাদ) মপায়ু গী শাশাগদা মঠ শাকরি। মপায়ুং জিতেন্দ্রিয় ক্ষমাবান, ক্ষত্রিয় কুলোৎপন্ন কীর্তিধ্বজ ১৩০১ ত্রিপুরা সনগী আষাঢ ১০ লোংগাখি। মৈতৈ মচা কয়াদা ফাইনা কয়া হাপ্পীদুনা শোংথনা লয়বা মৈতৈ কয়াগী যুমলৈ কৈর কয়াবু চাওথংহন্নবী মৈতৈ চনুবানি। রাধা কিশোর মনিকা (১৮৯৬-১৯০৯) না মনিপুর নিংথৌ দেবেন্দ্র জিংকী (ঢাকাতাবা মহারাজ) মচানুপী রত্নমঞ্জুরীবু লুহোংদুনা মাহাক্নানী হাপখি।

অসুম্না মৈতৈ চনুনা কয়ানা যুমলোম্নবা লৈবাক কয়াদা অচৌবা শক্তিদা লোইননা লৈখিবনা যুমলোম্নবা লৈবাকশিংদা বৈষ্ণব ধর্মগী লাইনিং শন্দোকপা ঙমহনখি। অমসু' মৈতৈগী ফজরবা মথলগী জগোই মথলশি ভারত অমসু' পৃথীবীদা শন্দোকহনদা মৈতৈ চনুব শিংগী অচৌবা শবুক মরি। মনিপুরগী অমদি যুমলোম্নবা লৈবাকশিং ইতিহাসতা মৈতৈ চনুবা কয়াগী থৌ ওান তোঙানবা শকম মরেক লানা উইল্লি।

FOOT NOTE

পাম্হোইবী খোংকুল—অকোইজম তোনবোই—৭৬৩A D
"চাইনরোল" নিংথৌখোংজম খেলচন্দ্র সিং।
"খম্বা থোইবী" হীজম অঙাংহল
১) নিংথৌরোল লম্বুবা ২) শঙ্গায় ফমাং
৩) চাদা লাইহুই ৪) থাংমৈরোন
১) নিংথৌরোল লম্বুবা ২) চৈথারোল কুম্বাবা
১) বুরঞ্জী—গোলাপচন্দ্র বরুয়া ২) হুংখুংসিয়া বুরঞ্জী—এস: কে ভূঞা।
শরংকী ইচেল —১৭৫৬ চীপুবা।
লকনাইবী নুপীশি সোসিয়েল ওয়েল ফেয়ার ডিপার্টমেন্ট মনিপুর—১৯৭৯
১) চীংথংথোম্বা মাহারাজ গম্ভীরসিং
২) রাজমালা -কৈলাসচন্দ্র

"শরৎনাওঁনাবু তেংথাবা"

অক্রম মিনা দেবী

কবিনো হায়গদবা, মীৎ উদ্রবদি ফজরবা সংস্কৃতিদা
লৈতেংলবা মালেমদা, মালেম লৈতোরসিদা অপুনবা ঐমা
থুম্না লৈপ্রবা অদুক অমদং পুথোকে থন্বদা,
খুংগোমহৈবগী অথোইবা খুংগোমগী মচুবুতা মপুন্নকই
ননা ইনুং শক্তম নংনা মহাক্তী সুরইপক্তা তিনদুনা।
লৈপাল অমদগী লৈপাল অমদা, লৈপাল অমদগী অমদা
মানবনা নে কহল কপহল্লিবা মনানা অপবো মচুগী শক্তমদা,
নিতি নুমিৎ খুদি মনাগী মিরবা হন্দনা নহাগী পুক্কং
লমদমবু ইথিল অমদগী অপনা মাইল্লি,
অমগী থাংনা অমা তো চত্তা।
নুংগী মুক্তীগুম লেপ্তুনা লৈহৌরগা নুংশি শক্তদা
মালেমগী কাচিন অমদা করিনো তৌগদবা? অদুনা
মীরোল অমদং হাংজিনংই থোনা অমদ উৎচিনংই।
ঐগী রাখপানি ঐগী মীৎপে নি,

অদুগা

ঐতগী বাখলনি, ইনুং শক্তমদি চুপাশন্নবগে থোৎ
লেপ্পা মাপে ঐহাক অমসু নগাক্লা পোরননা মোল্লবা
লশীং থাউমগুম থাউগী রস চুপ্তুনা।
অদুগ ন, মীৎমা থমাল পেলহনবা অশংবা সুরনা
লৈমায়দা তাক্লবা মীৎলু ইরাবু খোঙদ্রা অমীগদমক
মপুদা পুক্কং চিংশিনবাগী শ হুমদি লেপ্তুনা ফংহনবা পুশি-
নি অদুনা থমোয়গী লীংজেলনা পুপ্তনা থম্বদি ওমগানি হায়বা
মাপ্পি মহমগী গর্ভদা।
ঐনা চিংশিনা'জ ইদোমতা মনাগী শংফানরবা মচুবু:
থংনা থংবা থংদোআংদগী নাহোজে থৌরাং পেপথ্রদি

অরেবনি, নুংগী মুর্তিগুম লেপ্তুনা লৈহ্রৌবা নুংশি শক্তমদা
মালেমগী কাচিন অমদা, তৌগদবা করিনো? অদুনা,
মীরোল অমদং হাংজিনংই, থোনা অমদং লৈজানিংই।
শুমগী চাইসিসনা থল্লবা মীওইবা আক্তাসি
অর্গদা ইদোম চিক্লা পাযেল উদা অমদা পুখওবগা
উবা ওথী মালেমগী ফজরবা অপন্নবা অমদা।
ওসিসু মৌনা হোৎকপা নহায়োলগী পুক্কং ইরাদা তো দুনা,
আঙিয়া পম্বোনা শিহৎকপা লিক্লা মথিক্লা শংফানরবা
মনাবু কৃপথ্রবদা,
চিক্তাওক্তা চুথংপা মোমবাতিমদি ঐবু
পথোকপা ওংমাইনে মুমসিদগী।
শেগাইরবা পুশি লোয়শং ঐগী ইচেলনরি . .
মত্রমগী থাংপোক থুদিং উদু উদুনা,
শথং মথং চেনা হাংদোকপা মনাগী শংফানরবা রস চুপ্পনা
অনুকসু কবিনো অমনা ঐবু পজেদি, ঐবু পজেদি
মপগী শংফামবা হৈকোল তম্মা, মনাগী
নুংশিবা সুরলক্তা .
থম্মোয় নীরেনবুদি তাক্লা অমদং থংহল্লক্ত
সমাজকী পাযেলদা, ইচেলনরি ঐগা লোয়ননা,
কেন্দ্রনি থংনা পামবা মনানা, অমসু ঐহাক্তা
পামন্দ্রা কেমথিগদবা মাপোংজে অমোবা মমাগী শংযাংবা
সুরলক।
শেগাইরবা পে নমিদগী পাযথোকপা তাক্লা মানা,
মাংওইনা লৈহেগদবা ঐহাক্তী মানবা মীৎয়েংদো ওকইদা,
অমসুং ওকইদা ঐগী মীৎয়েং মাপবদো।

Please pay a visit

to

MANIPUR STATE MUSEUM

Relice of the past are the Nation's property
Kindly hand over them to the State Museum
And contribute to its development.

The Museum accepts objects on :—

(i) GIFT
(ii) LOAN.
(iii) PURCHASE.
(iv) EXCHANGE

Phone No. 20709

Issued by—

Curator,
Manipur State Museum,
Govt of Manipur,
POLOGROUND, IMPHAL

ফিজং-হাংলে

সিঐচ বিনীত কুমার সিংহ

মণীংথীব ওমগ্রবা নুংঙাইবা কন্নানা পুরক্না
থংলোয়ে কাখিদ
কনব ওমহবা গুলবগী লায়নানাবু পুক্নুনা
থাইদগী হেন্না মোংলবা পুমনম নমব ঈচেল চেল্লীবা
পীক্রবা নালাদুগী মথক্তা চংলমমদো
থোংদুনা অশোনব বানিনা তেকথোকখে
লু-ন্তোম লম্প্রবমিনা ঐ

মথং মীকপ থোকপদুদি—
মেংনিংগ্রেদা হমদ্রাক হুমদ্রাক শাওয়াব লক্তমদো
ভানিংদাবে খোইহীনি তাররব হুদো, মরাইদো
কংনিংদারে সুমহাইংঙাই ওইরাবা, মাংথেলহবাদা
লমতাগী পুর্নিমাগী মপুংফাবা থাংজপ দুংশাংগ
ৈক অমোমগুম নংবু চাগে থক্লাশাই
তাঙগে হশাও মামোন নোক্লীবা সমথোং খুদীংগী
হুদিংলোলোই শোক্লীবা চেত্তনী পাইবু ওকন্নবদা
মাল্লীব
অদুবু করীগীনো মীংতা ঈরা চেল্লীবা মমাদুনা
মচাগুম কন্নানা ঐগীসু, ঐগীসু থারা থাম্না হাকদ হাররগা
নিংশিংহল্লীবনা কবীগীনো ঠৈথিদ্রবা থাচবু ? !।

বইন্যারী

"ডাঃ সুভাষ ভৌমিক"

এই ভরী তরঙ্গিত সুন্দরী ত্রিপুরায়,
মনোরম শহরেরা হরিণখোলা গাঁয় ।
পাহাড়ী খোনেরা আসত দুপুর,
পিঠে-কাঁধে বাচ্চা বেঁধে ঝোলা মাথায় ।
তাতে কত ফল-ফলারী তরি-তরকারী,
যা মোদের ভাইয়ে কত দরকারী ।
পাহাড়া পড়ে দলে দলে আসত নিয়ে বাঙ্গালী বাড়ী
যা খানেরা" পাহতো "এসব দিয়ে বইন্যারী ।
অধিক দাম দিলে ও কিন্তু নিত না
বিনিময়ে বাঙ্গালীরা কিছু উপহার যদি দিত না
বস্ত্র-বেরাবর পোষাক কিছু না খাওয়ালোর হতো না
তারা যেন হাজার রকমের অন্যায়ের দোষী ।
ভাল-মন্দ পিঠে পুলি হলে হাসিমুখে আনতো তাদের
সাথী,
আমরাও মাঝে-মধ্যে তাঁদের বাড়ী যেতাম চড়
জিপগাড়ী
সবে মিলে কত যে আনন্দ হৈহুল্লোর
সদা লেগে থাকত মোদের মাঝে আনন্দ হৈচৈ রত ।
সেসব দিন কি আর সহজে ভুলতে পারি ?
কালে-ভদ্রে এখন তো আর সহজে মেলে না
বইন্যারী ।

শোয়রিখিল্লু ঈশৈদো

সিঐচ.বিদৌত কুমার সিংহ

নীংথমগী কাহাদুনা ইথক্তা মনশিনখিরে,তুম্না নুংঙাইরে, ঈংত্রে।
অহীংগী মতম্না লাক্লাবাদুনা তুই, রেমগুম্ম মেংনবনব মীথনেং।
তাইবংগী মখোং অনী পাথ শা মথৈসু মমুম মমুমদা ঐগুম্ম।
চাপ্পামাং সৈরক ফম্মুবা থবক্তী ইনষ্ট্রাক্তরনা মাইদ তীন শীনবপা।
সম্মগী লোংনা ইরোমদোম সার্টিফিকেট শেগারজবা নংতামা।
পাংদুনা লৈরিবা নরন মাওরিবা মীংসিদা ঙাঁট শুনু থমুম পী জানবা।
ভ ওবা হুইনা খোমলাং অমুত্তা পীথকপা ফংখিদুবা মচাবু
তেংথা তেংথানা পুখিবা মায়কৈ তম্ন খোর্শিনবা।
য ঙাওদুনা হলেকপা ত্রাইভরদুনা মরাল কৈরবী মখোইরেম্মীদা ফুর্খিবিবা
নুংঙাইবা মাতাদুনা লৈনুরাবা মচা মমামদু শোরননা চংথোক তাক্লিবা।
হোনা হোনা চৈনা পোকপগী চৈনানা খাংবা ঙমদানুনা লাওথগুম্ম
থেক থেক নৌগ নৌ অতোমবীনা মোমোন মিমোক মীংচৌনা মথমুরেনব মাইকর।
সনক্কার থবক ফংজাপ্তবা শেছোক লম্বীদগী লাম খুন্দাংতে পাখংগুসু
পেম্না থক্তুবা মুরোই ঙারোই শাবি মাসু কলাকার, শেকলী
খংম্ন.ইদগী হরাইজন অমাদগী হরাইজন অমা শৌন তাবা, নিংথ-মদনা
"থবক তৌদবগি লৈহাও লৈরেন এরোপ্লেন খোবা পাইলোট ঙীনি হায়নরে"।

জয়-পরাজয়

—ইন্দ্র ভৌম

বাহাদুর বটে বুকিং ক্লার্ক মশাই। আমাদের দু'জনের রিজার্ভেশন হল একই কামরায়। আগে পিছে একসাথে থাকাতে উনি ধরে নিলেন আমরা-স্বামী স্ত্রী। অঞ্জন ভট্টাচার্য আর লীনা দাস ও স্বামী-স্ত্রী হয়। চরম অস্বস্তিকর অবস্থা।

লীনা বিবাহিতা। কপালে শাখের লাল টিপ নয়। সিঁদূরের ফোঁটাই। সিঁথিতেও সেই রেড্ সিগন্যাল। এক হাতে শাঁখা, অন্য হাতে ঘড়ি। নিশ্চয়ই দায়ে পড়ে এসেছিল ধানবাদে বা এদিককার কোন জায়গায় বা নিতান্তই দায়ে পড়ে এমন ভাবে যেতে হচ্ছে কলকাতায়। বুকিং ক্লার্ক কি করে বসলেন তা পর্যন্ত খেয়াল করল না। ব্যাপার নিশ্চয়ই জরুরী, নইলে একলা কোন মহিলা এভাবে যাতায়াত করে না'.

বিকেলের ব্ল্যাক ডায়মণ্ড এক্সপ্রেসটা ফসকেছি। এখন এই প্রায় রাত বারোটার দুন এক্সপ্রেস। ছাড়া গতি নেই। ধানবাদ থেকে তাতে জুড়ে দেওয়া হবে আলাদা একখানি বগি। সেই বগির একটা অংশ ক্লাশ ফার্স্ট ওপর নীচ মিলিয়ে মাত্র চারটে সীট। কোম্পানীর কাজে এসেছিলাম। অন্তত পক্ষে ফার্স্ট ক্লাশ ছাড়া অন্য কোন ক্লাশে কোম্পানী তার অফিসারদের যাতায়াত পছন্দ করে না। লীনা কিন্তু বড় ঘরের মেয়ে বা বউ। সে নিশ্চয়ই কোম্পানীর কাজে আসে নি। সাড়ে তের টাকার জায়গায় সাড়ে সাতান্ন টাকা দিতে তার কোন অসুবিধে হচ্ছে না। দু'তিনটে প্ল্যাটফর্ম ডিঙ্গিয়ে ঐ দূরে এক কোনায় দুন এক্সপ্রেসের বগিখানাকে দাঁড় করানো আছে। কুলি এই আটটাতেই সেখানে নিয়ে এল। লীনাও কি মনে করে অন্য এক কুলির সাহায্যে আমার ঠিক পেছনে পেছনেই চলে এল। স্যুটকেস ব্রীফকেসগুলো ঠিক ঠাক গুছিয়ে দিয়ে কুলি দু'জন এসে আমার কাছে হাত পাতল। লীনাও ব্যাগ খুলতে যাচ্ছিল, তার আগেই আমি দু'জনের ভাড়া মিটিয়ে দিলাম। ওরা সেলাম সাহাব, সেলাম মেম সাহাব, বলে বিদায় নিল।

আমরা গাড়ীতে উঠলাম। শুধু আমরা দু'জনে। অন্য দুজন তারা যারাই হোক, দুই পুরুষ বা দুই নারী, বা এক পুরুষ এক নারী (যা হলে ভাল হয়) তাদের আসতে অনেক দেরী। দুন এক্সপ্রেস এগারোটার আগে আসছে না। তারপর এই বগিখানা তাতে জোড়া হবে। গত্যন্তর থাকলে কেউ তিন-সাড়ে তিন ঘন্টা আগে গাড়ীতে চড়ে বসে না।

সবে আটটা। এদিকটায় কোন আলোও নেই লাগোয়া সেকেণ্ড ক্লাস ভর্তি হতে শুরু হলেও ফার্স্ট ক্লাশের পারি পার্শ্বিক একেবারেই নির্জন। এক কামরায় বিপজ্জনক ভাবে ভরা যৌবনের আমি এবং ভরা যৌবনের এক পর স্ত্রী।

চরিত্র আমার ভাল নয়। ভাল কাজ করি, আইনের নিরিখে নীতির দিক থেকে নয়। আমি চরিত্রহীন, চরিত্রহীন প্রভাবশালীদের নিয়েই আমার যত সব ফুটানি, এবং নীতি হীনতাই আমার সম্বল। ধানবাদেও এসেছিলাম তেমনি একটা কাজ নিয়ে। পাটনার এক আমলাকে হাড়কাটার এক দেহ প্রসারিণীকে এক রাতের জন্য ভেট দিয়ে কোম্পানীর বিহারে অনুপ্রবেশ নিশ্চিত করে গেলাম। কোম্পানী প্রচুর অর্ডারও পাবে বিহার সরকারের কাছ থেকে। কোম্পানীর এই সব কঠিন কাজগুলোই আমি করে থাকি। কাজটা কদর্থে মাগী সাপ্লাইয়ের। যারা এ লাইনের কিছু জানেনা, তারা ভাববে কি শক্ত কাজ। কিন্তু, আমার কাছে জলের মত। কাজ শেষে মাগীটাকে সকালের কোলফীল্ড এক্সপ্রেসে তুলে দিয়েছি। বাকীর সব বন্দোবস্ত করে আমি ফিরছি এখন।

মাগী নিয়ে আমার কারবার হলেও এ যেন এক চরম অস্বস্তিকর অবস্থা। ভাড়া খাটা মাগী আর সাধ্বী গৃহিনীতে আকাশ পাতাল ফারাক। নীনা কিন্তু অত চিন্তিত নয়। অন্য কোন ভারী চিন্তা নিয়ে সে চলেছে।

কোন সতী নারীকে নিয়ে অত ভাবা উচিত নয়।

মুখোমুখি দুই বেঞ্চে বসে দু'জনাই অন্যদিকে দৃষ্টি ফেলছি। কারও মুখে কোন কথা নেই। অন্য দু জনার আসতে এখনও ঘন্টা তিনেক দেরী। ব্রীফ কেস্ থেকে একটা ম্যাগাজিন বের করলাম। মলাটের ছবিটা অশ্লীলতা টু দি পাওয়ার ইনফিনিটি। ভিতর বস্তুও তাই। বইটির ওপরে এক পাতা খবরের কাগজ-অন্তরের মত করে লাগালাম এবং পড়ার ভাণে ডুবে গেলাম।

নীনা এটা ওটা বেঞ্চের ওপর সুবিধে মত সাজিয়ে নিল। ভিক্টোরিন লাগিয়ে নিজের বেঞ্চিতে এসে একটা চাদর মুড়ি দিয়ে শুয়ে পড়ল।

আমার শরীর আর মনের অবস্থা কহতব্য নয়। এ বেঞ্চিতে আমি ও বেঞ্চিতে সুন্দরী পরস্ত্রী। আমার যা চরিত্র তাতে মনে হচ্ছে ঝাঁপিয়ে পড়ি। শরীর কাঁপছে, গায়ে তাপ বাড়ছে। অশ্লীল ম্যাগাজিনটা মাথার নীচে। চোখের ওপরকার কাগজে মনঃসংযোগ করতে পারছিনা, শরীরের মধ্যে অমন একজন যৌন আবেদনময়ী সুন্দরী অবস্থান করলে কারও পক্ষেই অন্য কিছু ভাবা সহজ নয়। এর চেয়ে বহু কমজোরী সুযোগকে আমি কতবার কাজে লাগিয়েছি। তেমন বিপদে কোনসময় পড়িনি। ওরা যে অবলা জীব কোন কোন সময় দুর্বল প্রতিরোধ গড়ে তুললেও তা কোন কাজের নয় এবং পরে ওরা কিছুই বলতে পারে না বা লজ্জায় বলে না। তবে আমার এই বেশ কয়েক বছরের চরিত্র হীনতার অভিজ্ঞতা বলে তারা এসব অভিজ্ঞতার কথা বলতে চায় না। আর থাকতে না পেরে বেঞ্চি থেকে নেমে পড়তে যাচ্ছিলাম। হাতে ঘন্টা আড়াই সময় আছে। কেন তা বৃথা নষ্ট করি।

নীনার ঘুমন্ত মুখটা আমাকে থামিয়ে দিল। আমার উপরে অগাধ বিশ্বাস। শুধু এ কারনেই আমি নিজের জায়গায় ছিটকে চলে এলাম।

দুন এক্সপ্রেস এসে গেল। আমাদের কামরা তার সঙ্গে জুড়ে দেওয়া হল। আর কেউ উঠল না। দু'টো বার্থ ফাঁকাই রয়ে গেল। শুধু সে আর আমি। গাড়ী চলতে শুরু করল। সাড়ে চার থেকে পাঁচ ঘন্টা

আমাদের এ ভাবেই কাটাতে হবে।

আমার চোখে ঘুম নেই। সে অঘোরে ঘুমোচ্ছে। আমার দিকে মুখ করে। আমি শুধু দেখছি। তার গায়ের থেকে চাদর পড়ে গেল। তার হুঁশ নেই। আমি দেখেই চলেছি। শরীরটি যথেষ্ট লোভনীয়। ঘরের বৌরা এমনই হয়। এসব শরীরের ওপর ভোগ হয় কিন্তু অত্যাচার হয় না। পাছায় ফলস্ প্যাড বা স্তনে ফলস্ কাপের দরকার হয় না ওদের। সব ন্যাচারাল এবং প্রাকৃতিক নিয়মেই তা আদল নেয়।

আর থাকতে না পেরে বেঞ্চি থেকে লাফিয়ে নামলাম। হাতের নাগালে অমন লোভনীয় পুরস্কার থাকলে নিশ্চিন্তে ঘুমোন ও যায় না, বা কোন থার্ড ক্লাশ এডিটোরিয়াল -এও মন দেওয়া যায় না। জীবন্ত সেক্সের কাছে 'সেক্স ম্যাগাজিন'ও কিছু নয়।

আবার বাধ সাধল তার সেই মুখ। আশ্বাস বিশ্বাস আস্থার এক গোলাপী প্রলেপে জড়ানো। নিজের চরিত্র আর যৌবনের ওপরে চরম অত্যাচার করে পড়ে যাওয়া চাদরখানা তার গায়ে চাপিয়ে দিয়ে নিজের জায়গায় ফিরে এলাম। আমাকেও এমন বিশ্বাস যোগ্য কেউ ভাবতে পারে। নরকের শেষ ধাপে নেমেও আমার এ কি অনুভূতি।

ভোরবেলা ট্রেন হাওড়া ষ্টেশনে ঢুকল। নীলা উঠে গিয়ে চোখমুখ ধুয়ে এল।

আমি হেরেছি, না জিতেছি? ও স্যুটকেস্ সাজিয়ে নিচ্ছে।

হঠাৎ জিজ্ঞাসা করলাম,

"আপনি কোথায় যাবেন?"

চোখে চোখ রেখে বলল,

"আমার নির্দিষ্ট কোন ঠিকানা নেই।"

এমন উত্তরের জন্য প্রস্তুত ছিলাম না।

"আপনার নাম?"

"সুবিধেমত এক সময় এক এক নাম ব্যবহার করি।"

"ধানবাদে কেন গিয়েছিলেন?"

"ব্যবসার খাতিরে।"

"যদি রাগ না করেন তাহলে জিজ্ঞাসা করি ব্যবসাটা কিসের।"

"রাগ করার প্রশ্নই উঠে না। আর হয়তো আমাদের দেখা ও হবে না। একটু পরেই এক কোটি লোকের ভীড়ে আমরা হারিয়ে যাব।

আমি কল্ গার্ল।"

চমকে গেলাম। সে স্যুটকেস্ হাতে নেমে গেল।

মিনিট পাঁচেক পরে নিজের ব্রীফ্কেস গুছানোয় মন দিলাম।



PAY YOUR HOMAGE TO THE MARTYRS'

OF

THE AZAD HIND FOUZ

AT THE I. N A. MARTYRS' MEMORIAL

MOIRANG

The Memorial has become one of the centre of Pilgrimage of Freedom lovers of the country



It comprises the following complexes :

1 The Netaji Library
2 The I N A War Museum
3 The Netaji Statue.
4 The Moirang Kangla
5 The Replica of the I N A War Memorial (Stupa)
6 The Auditorium